থম্মায়গী

চরোইবম ইবোহল সিংহ

[illegible]

ইবোহলগী

[illegible]

থম্মোয়গী তাল্লা

(ঔশৈ ময়েকশিংগী খোমজিনবা লাইরিক)



নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ (নোহাখোল)

য়ুরেম্বম, ইম্ফাল।

THAMMOIGEE TANTHA, A collection of 107 (one hundred and seven), Lyrical Poems in Manipuri, Composed by ***Dr. Charoibam Ibobal Singh,*** Taobungkhok Awang Leikai, Sagolband, N.C. Road, Imphal West, Manipur, Published by **NOHAKHOL,** Yurembam, Imphal in 2007.

First Published : 2007

Publisher : ***Charoibam Ongbee Kamala Devi,*** *on behalf of NOHAKHOL, Yurembam, Imphal*

Cover Design : Shri L. Joychandra Singh, *Sagolband Tera Thangapat Mapal, Imphal*

No. of Copies : 1000 (one thousand)

Price : Rs. 95 /- (Library Edition)

Rs. 65 /- (Paperback Edition)

Printed at :

R.S. Printers,

Keishampat Leimajam Leikai, Imphal-795001, Manipur, India

কচ্ছবা

তাওবুং খোক চারাইবম শাগী;
পুবেন ওইখিবা ইবুধৌ পুর্নো সিংহ;
ইবেনধৌ তাথোং দেবী!
ইবুধৌ ইবেনধৌ অনিগী মপাবী মমোমশিং, —
ইপুরোক গোকুলচান্দ অমদি বাপু,
ইবেনপোক ওমপাক, তোম্বী, অমুস্না অমদি বজেনী;
ইপুরোকশিংগী ইবেনপোকশিং —
ওম্পাকাল, ইবেচা অমদি মুখী;
নুংশিখিবা ইপান হন্দ্রা, খুবা কামদেবা অমদি লৈশাবী (বিনো);
ইনে অনী হাইস্নী অমদি তোম্বী
খোঙদাবাক্তাইডা তাইবংদা, এনা
নবা ওইনা লৌখিদ্রবা ইথাম্বা অনি, —
ওইকুমার অমদি ব্রজমনি
নুনা চান্না ওবিবন্না ইথাম্বাশিং —
ইবোচা, ইমা অমদি রাজেশ্বর
মিত্রৈডৈন, লৈখিদ্রবী ইচন নুহিনি!
ওন্না লাইরিকলেন পাংথবা পাংথবীশিং
নখোয় পুম্নমক্কী নফমদা
কচ্ছরিবানি পাংদ্রবশী "থম্মোয়গী তাহা"
লংনদনা লৌশিনবীয়ু - ॥

— ইবোহল

নোহাখোলগী ৱারোল

চংলিবা চহী অমসুং মসিগী মমাঙগী চহী খরসিদা লমদমসিগী সাহিত্যগী পোংথোকসি মরাঙ কায় হায়বা য়াই । মসি সাহিত্য তৌজরিবশিংনা পৃক্লিংদা পেঞ্জে । থোইদোক্লা হরাও নুঙাইজরিবদি চহী খরসিদা ঐখোয়গী অইবশিংনা সাহিত্যগী পোথোকশিং হায়বদি লমকোয় ৱারী, সোনেট, মশাগী পুন্সি ৱারী লোয়ননা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিকশিং পুথোকপসিনি ।

নোহাখোলসু সাহিত্যগী পোংখাকশিং লেপ্তুনা পুখো[illegible] । ল[illegible] ৱারীগী লাইরিক অহুম, সোনেটকী লাইরিক অনী, পুন্সি ৱারী অমা, অদুগা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অমসু পুথোকচখ্রে । ডা ঃ চরোইবম ইবোহল সিংহগী *"থম্মোয়গী তাম্বা"* মিংথোনবা ঈশৈ ময়েক্কী লাইবিকসি সাহিত্যগী লম্দা অইবসিগী অহানবা, নোহাখোলগীনা হুম্ফু মঙ শুবা (অনীশুবা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক) সাহিত্যগী খুদোলনি । লাইরিকসিনা সাহিত্যগী লৈচল অমা ওইরক্লিবা ঈশৈ ময়েক্কী তাইবঙদা মফম অমতং ফংজদুনা শৈশকপশিংগী খৌরাংবা কোকহনবা অমদি সাহিত্য তৌজরিবশিংগী অপান্বদু ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমজদুনা খ্বাই মীয়ামদা সাহিত্যগী খুদোল অসি শীন্নজরি ।

ময়ামগী

খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম

জে ঃ সে ঃ নোহাখোল

য়াই খরদং

নোহাখোল পব্লিকেশনগী মখাদা ফোঙগদৌরিবা শ্রী সিঃঐচঃ ইবোহল সিংহনা ইবা ঈশৈ ময়েক্কী খোমজিনবা লাইরিক *"থম্মোয়গী তাম্বা"* হায়বসি ঐহাক পাজরে । য়াম্না তাওনা থোকপা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক্লি; ঐদি মমল য়াম্মী হায়না লৌজে, মগুণ-লোমদা অদুক হকচিন্না নৈনকদ্রবসু । মরমদি মণিপুরী মতম ঈশৈনা অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা ঈশৈগী লাইরিক ফোঙলকপসি য়াম্না তোয়না থেংনদে । ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক মরাং কায়না থোকহন্নীংই, ঈশৈ-নোংমাইগী লমদা লৈহাও হেল্লি হায়নরিবা লমদমসিদা - ।

[illegible] পাল্লগা শকপবু ঈশৈ কৌই; ঈশৈ ময়েক্কুবু ইদুনা লাইরিক [illegible] শৈরেং হায়দুনা সাহিত্যগী মখল অমা ওইনা লৈবিনসিনি । ঈশৈ ময়েকপু শৈরেংগুম্না লাইরিক ওইনা নমথোক্কুনা থম্বগী মরু ওইবা ব্রাফমদি ফজবা ঈশৈ ময়েক থিবা ব্রায়, লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ইবা ঈশৈ ময়েক্কী তঙাইফদবা লাকপদা লাইরিক্তা ইদুনা লৈরবদি মদু লৌথোক্কুনা সুর পাল্লগা শকপা য়াই; অদুগা অতোপ্পা ব্রাফম অমনা, ঈশৈ ওইনা শক্লিবা ঈশৈ ময়েক্তা নৈনবগী খুদোংচাবা য়াম্না ব্রাৎলি । ময়েক্কুদা য়াওরিবা ফজবা অমদি শীংথানীংঙাই ওইবা গুণশিং খঙনহনা লৈখ্রনি, অশোয় অঙাম য়াওরম্লবসু পুথোক্কুনা নৈনররোই; ঈশৈ ময়েক্কুগী মপুঙ্গি কনা খঙবিদনা ঙন্না লোইশিনখ্রনি । মরম অদুনা ছাপা নমদুনা লাইরিক ওইনা পুথোক্কুনা মীয়ামদা পাহনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লবদি তাবগী নুংঙাইবগী মথক্তা সাহিত্যগী খুদোল ওইনা নৈনবগী তাঞ্জা ফংলনি । মসিনি হায়জনীংই ঈশৈ ময়েকপু লাইরিক ওইনা ফোঙবগী তঙাইফদবা ।

শ্রী ইবোহল সিংহগী ***'থম্মোয়গী তাম্বা'*** হায়বা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিকসিদা য়াওরিবা ঈশৈ ময়েকসি চাম্ম তরেৎনি। হায়রিবা ঈশৈশিং অসি তোঙান তোঙানবা হীরম কাঙলূপ্তা ইবনি । হীরমশিং অদুদি লাইনিং-লাইশোন, মহৌশা, লৈবাক্লীংবা, নহারোলগী য়াকায়রোল, পুন্সি ব্রায়েল-থৌদা, নুংশি-নুংঙোন্নচিংবানি। মখল মথেলগী হীরমদা ইবা ঈশৈশিং পাবদা মহাও অমা পীবগা লোযননা ঈশৈগী তাল ছন্দগী ভাব লৈনা ই।

মহৌশাগী হীবমদা 'চেক্লা নখোয ঈশৈ শকখো' হাযবসিদা উচেক-ব্রাযা, যারৌ শাবু শৈথাদুনা অসুম্না শৈবাংলি -

'চেক্লা নখোয়' লৈত লমদা
নুংশি শৈবোল তাববোইদো:
যাবৌ নশক উদা' লমদা
মহৌশানা কপ্পনিদো;
উপাল নঙনা হৌদ'-লমদা
তাইবং কনানো হিংগদবা।'

ঈশৈগী ফজবা খুৎইগা লোয়নবা শৈবোলসিদা, শা-উচেক্কা তাইবং জীবশিংগা তৎন-থানবা য়াদবা মরীগী ব্রাফসু কবিনা তাইবং মীওইবদা পাউদম্লি। পূক্লিং নৌনীংঙাই ওইবা শৈরোলনি। মথঙগী *'লীরী তেঙ্গা থোংখিনু'* হায়বা ঈশৈ অসিসু শা-উচেক কনবগীনি। হায়রি 'চেক্কা য়াওদ্র' লৈকোয়পুঙ / নুংশি শৈবোল, তাররোই / শজি শঙাই উদ্রবা / তায়োন্ননি

তাইবংপাল । অকোয়বগী ফীভম ঙাক-শেনবদা অসুম্না শৈথারি 'মহৈশা কৌবী হে ইমা নুংশিরবী ' হায়বা শৈরোলসিদা, 'কোক্কী শম্লাং কদায় ঙম্না কেনখরে / শংলেন ফীজোল কৈদা লোইনা চৎখরে/ নোক্লরোইদরা য়েন্নিং থানা লাকপদা'। উ-ব্রা য়াম্থৎপিদুনা ইকোক কোক্লবা মহৈশাগী শকফম উবদা শৈরেংবা কবিনা থম্মোয় শোক্লা তেংথাজবনি । শজিবুদা শাৎপী লম্ফেল নাব্রা কোম্বীরে শৈথাবদা অপাবশিংগী থম্মোয়দা নুংশিবগী ইহুল ফাওহল্লি, হায়রি - *'সনা লৈপাক লমদমগী৷ য়ুমথোঙ খূদিং যৌনরৌ শাৎখো লৈরাং লৈনুংশি৷ শীংঙেল নঙবু কোম্বীরে ।'*

লৈবাক্লাংবগী ঈশৈদা ইবৈবাক ইবমদম্বু শৈথাবদা কবিনা মাগী শৈরেং 'নিংথিজৈদা ফজেদা' হায়বসিদনা অসুম্না তেংথারি - *'চীংনুং ফাওনা খোঙলম্বী৷ লীশাংগুম্না তারিদা৷ পীক্ল'* খাংপোক *পবেংসু তুমপক তুমপক লেপ্লিদা৷ হাবি মাগী খোঞ্জেলসু নুংশি নুংশি তারিদা ।'* পুন্সি ঈশৈদা শৈরেংবনা *'শৈরোই ঈশৈ শক্লা শক্লা'*হায়বা শৈরোলদুদা থব্রায়গা হকচাংগা কায়নবা, পুন্সি খোঙচৎনা লোইরবা মতমদা হীকহৈনবা খোঞ্জেলগা লোয়ননা তেংথারি - *'পাক্লবা খারি লৌবুক লমহাংথ থেক্লা খোযরবা খুঙ্গংগী লম্বী৷ উচেক-ব্রায়াগী নুংশিবা খোঞ্জেলা ঙম্না লৈহৌবে মখোয পুম্নমক ।'*শৈরেংবা ইবোহল সিংহ, মহৈশাবু ঈরাৎচবা, চীং, পাৎ, তুরেল, লৌবুক-লমহাংবু নুংশিজবা কবিনি হায়বসি মহাক্কী ঈশৈ কয়ামুক্তগী খঙবা ঙমই । হাৎন-শুনবা তোয়রবা, শান্তি লৈত্রবা ইরমদম মণিপুরদা হিংলিবা ঙসিগী মীপূম খুদিংনা হায়নরিবা ব্রাফম্বু কবিনা মশাগী ওইনসু তেংথারি 'মীচম ওইনা

হিংবা লুরে' হায়বা শৈরেংদা, হায়রি - 'ইংনা চীক্লা হিংজরম্বা/শাস্তি লৈত্রে পোক্লফমসে/লোইবী তম্পাক অনীমক্তা/খোম্থাং য়ৈরি মীকপ খোঞ্জেল' অদুনা হংলি শৈরেংবনা 'থাদোক্তুনা চৎলসিরা/নুংশিরবী ইরমদমসে/ইচম চম্না হিংবা পুন্সি/শিনা শিনা হিংবগুমলে ।' থম্মোয়নুংগী নুংহীক্লবা খোম্থাংদা শৈরেংবা কবিগী শৈরোলনি ।

ঈশৈশিং অসিগী মনুংদা নুংশি-নুংওনবু শৈথাবা ঈশৈনা মশীং য়াম্না হেল্লি । নুংশি-নুংওনগী মতাংদদি থোইনা-হেন্না হায়রুনীংঙাই লৈতমাল্লে খঞ্জে, মরমদি শৈরেংবা কয়ানা তোয়না ইনরবা হীরমনি; অদুবু লাইরিকসিদা শৈরেংবনা উৎলিবা নুংশি-নুংওনগী শৈরোলদা-মখল কয়াগী শক্লোন ফোংদোক্লিবা অসিমদি থাগত্তবা ঙমজদে ।

অরোইবদা হায়জনিংবদি, লাইরিক অসিদা ইবিবা বানান অমদি পুংচুএসনগী মতাংসিনি । ঈশৈ অইবা শৈরেংদুবু সুর পান্দুনা শকপদুবুনি । বানানদা লৈরম্লিবা অরুম অয়াংগী মতুং ইন্না শৈরেংদু ঈশৈ ওইনা শরুক্কদবনি; মণিপুরীগুম্বা টোন্নেল লেঙ্গোইজ অসিদদি অরুম-অয়াংগী খোম্হোক বিচারগী মতুং ইন্না বানান শীজিন্নবীবা তঙাইফদে হায়জনীংই; মরমদি চপ মান্নবা ব্রাহৈদা অরুম-অয়াং খেন্নবগী মতুং ইন্না অর্থ খেন্নে । মান্নবা ব্রাহৈদা অরুম-অয়াং লান্না শীজিন্নবদগী তাবদা মরিং-মরাংবা থোকপা য়াই । অমনা পংচুয়েসন হায়বদি, কোমা, সেমিকোলন, দ্যাস, চৈখৈনচিংবা শীজিন্নদবনা ঈশৈদা লেপফম চাদনা লেপ্পগী নুংঙইতবা হেক-হেক থেংনৈ । অদুনা ঈশৈ ময়েক্তা বানান অমদি পংচুএসনগী দরকার লৈবসি ঈশৈ ময়েক ইবশিংনা কাউথোকপিবা চুম্লোই ।

শ্রী ইবোহলগী লাইরিক 'থম্মোয়গী তাম্থা' হায়বসি ঈশৈ ময়েক্কী মতীক চাবা লাইরিক ওইগনি হায়বগী আশা থমজরি; লোয়ননা শৈরেংবনা

অসিগুম্বা লাইরিক মথং মথং পুথোকপিরক্তুনা মণিপুরী মতম ঈশৈ ময়েক্কী মতাংদা অচৌবা দান তৌবিবকসনু। ঈশ্বরনা শৈবেংবরু হকচাং ফবা অমদি পুন্সি তোলোইবা পীনবিসনু।

বি: জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

প্রসিডেন্ট,

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল।

ফোঙজবীগী মাহৈকৈদগী

ঐগী ইপুরোইবা ইবোহল, মহাক্কী শিনফমগা মবী লৈনবা লাইরিক অমদি রিসার্চ পেপর ইদুনা ফোংখিবদি থেংনজে। অদুবু শৈরেং ব্রারেং ই হায়বদি হৌখিবা চহী ৬/৭ যুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা লৈরকপসিদা খঙলক্তে। হৌখিবা চহী ১/২ সিদা সাহিত্যগী থৌরমশিংদা য়াওনবগী বার্তন কয়া মহাক্কী মমিংদা লাকখি অমদি শরুকসু য়ারকখি। ফাগী ৎইনবু লক্করুই করিনো সাহিত্য অমুক তৌদোরব্রা! য়ুমগী মখাদা ঙাইহাক্তা লৈনিংদবসিবু। হায়রক্খি নোংমা, "ঈশৈ-শৈরেংগী লাইবিক অমা ফোংদবা য়াদরে।" নোক্তুম নোক্করুই ঈশৈ-শৈরেংবু হেক্তা ইদুনা ফোঙবা য়াবদৌনা। অমনবা মহাক্কী ডাইরী অমদি নোটবুকশিং পুথোক্তুনা হৌখিবা চহী ২০ (কুন) মুকসিদা ইখিবনি হায়দুনা ঈশৈ ময়েক কয়া ঐবু য়েংহনখি। ঐ ঙকখি মরমদি নোংমতসু মহাক্না মসিগী মতাংদা পনখিবসু লৈতে। ঈশৈ ময়েক ৫০০ (চামঙা) হেন্না লৈরম্বা থেংনখি। মহাক্না শম্নরিবা সাহিত্যগী লুপ নোহাখোলনসু কন্না তকশিল্লক্লে হায়বদুদা ফোংদোক্লসি হায়দুনা অহানবগী ওইনা ময়েক ১০৭ (চাম্মা শুপ্না তরেৎ) খনগত্তুনা ***"থম্মোয়গী তাম্না"*** হায়বা মিংথোন অসি পীজদুনা লাইরিক অসি ময়ামদা খুদোল তমজবনি। অসোই-অঙাম য়াওরম্লবসু অইবগী অহানবা সাহিত্যগী খুদোলনি খনবিদুনা ঙাকপীনবা হায়জরি।

অদোমগী

চরোইবম ওংবী কমালা দেবী

তাওকুংখোক অৱাং লৈকাই।

শৈরেংজরিবগী নোঙ্গু ৱাহৈ খরদং

হৌখিবা ইং ১৯৮১ গী মতমদগী হৌদুনা ইনিংবগী ঈথিল থম্মোয়দা ফাউরকখি । মদুনা লমজিং ওইদুনা ঐনা তমজরকখিবা কৈসাম বীরজিৎ হায়ষ্কুল, পাংশোইগী চহীগা মেগাজিন্দা শৈরেং-ৱাবেং ইদুনা ফোংলকখি । মখা তানা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ছাত্র ওইজরিঙৈদা মেগাজিনশিংদা ৱাবেং-শৈরেংশিং ফোঙজখিবা লৈ । মণিপুরদা ফোঙনরিবা খবরশিংদা লাইব্রেরীগা মরী লৈনবা আর্তিকল খরসু মরক-মনক্তা খুদোল তমজখি । কুইদ্রিঙৈদা নোহাখোলগী "ঈচেল" চেফোংদা শৈরেং অমগা নৈন-ৱারেং অমখক্তংগা ফোংবীখি । মসি নত্তবা থোইদোকপা সাহিত্যগী লম্দা ফোঙবগী থবক্তা য়াওখিবা লৈজদে । য়াম্না নুংশিনা লোয়নজখিবা লৈকাইগী, ঐগীসু ছাত্র ওইখিবা লৈখিদ্রবা শ্রী কাঙহ্জম সোমোরজিৎ-না অঙাং ওইরিঙৈদা রেডিওদা অঙাংগী থৌরমদা শৈরেং খরদি পাথোকাপখি । ফোঙদোক্কে হায়বগী ৱাখলদি তৌরুদনা ইং ১৯৮৪ দগীনা হৌজিক ফাওবসিদা ঈশৈ ময়েক কয়ামসু ঐগী ডাইরীগী লমায়শিংদা মতম মতমগী উরুবা, তারুবা, য়েংলুবা, খঙলুবা অমদি ইশাদা হকথেংনখিবা থৌদোক কয়াদগী থম্মোয়দা ফাওরকখিবশিংদুনা লমজীঙদুনা ইশিন খোৎচিন্দুনা থমবগী হৈনবী অমখক্তী লৈবকখি । অল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালগী ঈশৈ শৈরেংবা অমদি ওইগে খনখি । ঈশৈ ময়েক ইবগী জগত্তা ফাওরিবা লৈবাক্লা শকখঙনরিবা পাবুং বি. জন্তকুমার শর্মাগী মফমদগীসু ইং ১৯৮৭ তা হীরম অসিগী মতাংদা তমজখি । সগোলবন্দ হৈনৌপোক্তগী ইয়াম্বা রেডিওগী শৈরেংবা শ্রী লোংজম তোম্বী-গসু কয়া তানজখি । অদুবু অসুক কুইবসি ইশাগী, শিনফমগী অমদি ঐনা য়াওজরুবা লুপশিংগী অচিনবা কয়াদগী ইবদি লেপত্রবসু রেডিওগী শৈরেংবা ওইনবা, নত্রগা লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্লবা হোৎনবসু ঙমখিদে । লৈকায়দা লৈমিন্নজবা শৈশকপা অমোম রামেশচন্দ্রনদি মহাক্কী ফোঙব্রবা ওডিও কেশেট্টা ঈশৈ ময়েক খরদি শকপীদুনা য়াওহনবিখ্রে ।



ঈশৈ ময়েকশিংগী "ইবা লাইরিক ওইনা ফোংদোকখ্রবগী [illegible] কক্রবা ইং ২০০৫ দনি '[illegible]' [illegible] [illegible]। খুরেন্দ্রমগী ন্যুচংবাশং মন [illegible] ঐগী লৈকাইদা লৈ[illegible] [illegible]। ওজা [illegible] [illegible]মচা অমদি খুবেন্দ্রদগী ওজা। ডা: শশিকুমার [illegible] মবক [illegible] নোহাখেলগী থৌবম যাউজবা বর্তন [illegible] [illegible] য়াওজখি। অদুগা অঙকপা [illegible] থেংনজাগ [illegible] লমদমসিদা পুমতোপ ভোঙ্গ "নোহাখেলগী পুং" হায়বা [illegible] মা [illegible] । লুপ অসিগী ঐনা যাওজখ্রবা থৌবমশিং বার্তনদা যাওবিল [illegible] সেকেন্দ অমফাওবা থেংথনা [illegible] এলিদে। থৌব[illegible] অতিথি ওইবিগদবা ফাওবা [illegible] থেংনা [illegible] কপা গী য়া [illegible] হৌবা [illegible] কয়াসু য়াওখি। মতমগী মমল খঙনা চংপা [illegible] [illegible] অসিগী মেম্বর ওইনিংলকখি। অদুবু [illegible] ন [illegible] [illegible] ইকাইখি, মবমদি ঐদি লাইরিক ইবাদ নত্তে। [illegible] নোহাখেলগী অহলশিংদা হংগৎচখি মদু- "ঐগী পিনফমগা মরি লৈনবা ঙিবমদদি লাইরিক অনি অমসুং রিসার্চ পেপর কয়া [illegible], মখোয়শিং অসিদ য়ারোইদব্রা, লিটরেরী রার্ক্তি নত্তে।" অদু ওইববদি কবিগী য়াদদগে হায়রকপদগী থিম্নদনা লুপ অসিগী লাইফ মেম্বর ওইবা ফংজখি। মসিগী ঈরোইননা মচোই-মচোই হৌখিবা চহি ২০ (কুন) হেনবগী ডাইরীশিংদা য়াওরিবা ঈশৌন খন্না ইজাখবশিংদগী খোমজিঙদুনা লাইবিক ওইনা ফোংদোক্লগে হায়বগী ঈথিল অমা পোক্লক্লুনা মইকৈ অসোমদা ওনশিনজরকপনি। অমুকসু খল্লকখি ঈশৈ ময়েক্কীবু লাইরিক ওইনা ফোংনবা য়াওনরিদরা? খঙ্গানরিঙৈ চৈরক্তা পাবু জয়ন্তকুমারগী ঈশৈ-শৈরেংগী লাইরিক, "পুন্সি ঈশৈ শক্ল-শক্লা" মতাং চানা থেংনজখি। লাইরিকসিনসু ঐগী লমজিং মৈরা ওইনখি। অশেংনা লেপ্লে, ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক ওইনা ফোংদোকচনবা হোৎনরগে হায়না।

চহি ২০ (কুন) মক্কী ডাইরী অমদি অমনবা নোট বুক কয়াদগী খোমজিঙবদা চাওরাক্লা ঈশৈ ময়েক ৫০০ (চমঙা) হেন্না লৈরম্মী, অদুবু থিম চানবসু ময়েক খন্নদা থেংনখি। অহানবগী ওইনা শুপ্লতগী

মথেক ১০৭ (চাম্মা শুপ্না তরেৎ) খক্তমক লৌখৎচরগা ময়ামদা খুদোলজবনি - ***"থম্মোয়গী তাম্বা"*** । লাইরিকসিগী মমিংগী মতাংদা কয়াক খনখি ; মমৈথংদা ঐগী ইচানুপী ইনোরলা @ মিক্কীগী মমানা, লিটবেচংগী ছাত্রী অমা ওইবদুনরা ! ***"থম্মোয়গী তাম্বা"*** কৌবনা চানগনি হায়রকপদগী অদুন মনিংসি থোনজরে । অইবা কয়াগসু মিংগী মংদা তান্নজরুবদা মসিনা ফরে তার্কাপবকখিবসু লৈ ।

ঈশৈ কবিনো তশেংনা খগুজদে; অদুবু ঐগী অহানবা ঈশৈ শেবেংগী লাইবিক ***"থম্মোয়গী তাম্বা"*** খুৎশিন্নজবি মীয়ামদা । লাই বকসিদা য়াওখিবা ঈশৈ-শৈবেংগী ময়েকশিং অসি তোঙান-তোঙানবা কাণ্ডলুপ কয়া থোক্লা হায়বদি - লাইশোল, পুক্সি, লৈবাক নিংঙবা, প্রেম-ভক্তি, রাধা-কৃষ্ণগী প্রেম লিলা, কাযনবা-থুংনবা, নুংশি-নুংঙোল, মহৌশা, থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, লৈঙাক্লোন, ঈনাৎ, চৎনবী, হৌখ্রবা থৌদোকপু নিংশিংদুনা শৈথাবনচিংবা মখল খাইদোক্লুনা থমজদ্রে । খবা-খবা মান্নে খঞ্জবা মযেকশিংদু চোমলপ্না পুনশিঞ্জবগা মথং-মনাও নাইনা অদুম হাপচবে পাবীবির্বশিংনা ৱাবৌবিবোই নীংজে ।

লাইরিক ওইনা ফোংদোকচনবা হোৎনবদা নোহাখোলনা থৌনা মপ্পীখিবগীদমক শিংবা ঙমলরোইদবা লমন তোনশিঞ্জরে, লুপকি মেম্বর খুদিংমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি । লাইরিকসিগী মরমদা ৱারোল খবদং থর্মবানবা হায়জরুবদা মশামক্কী পোৎথোক্মক্লি খনবীদুনা তোঙান-তোঙানবা লিটরেরি, ঈশৈ, দ্রমানচিংবা সংস্থান কয়াগী চেন-চোংবগী চিল্লবা মতম অমদি থৌগায় কয়া কাইথোকপীদুনা বনাণ, পংচুএসন, অক্রম-অয়াং, ঈশৈ ময়েক ওইবগী টাল-সন্দ অমদি মনুঙগী ওইবা ভাবকী মতাঙদা শেমদোক-শাদোকপিরকপগা ঈরোইননা নিংথীবা ৱারোল অমসু ইবীদুনা নৌনা সহিত্যগী লমদা খোঙ থাংজিঞ্জরক্লিবা পাংদ্রবা ঐবু অনৌবা আশা অমদি থৌনা পিবীদুনা অৱাৎপা লৈত্রবা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দা ইখুৎ পাইদুনা চিংশিনবীবগীদমক, মণিপরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী সভাপতি

ওইবিরীবা পাবুং বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। তেল্লবা মপোক অসিদা পাবুংগী শিংবা ঙমলয়োইদবা লমন অমদি অসুম তোলহৌরগনি। মমল য়াম্নবা ৱারোল অসি ইবীনবা হায়জবদা অচৌবা মতেঙ পাংবিখিবা অমদি লাইরিকসি পুথোক্লবা হোৎনবদা থৌনা হাপ্লিখিবা উরিপোক বাছচপতি লৈকাইদা লৈবা ঐগী ইয়াম্বা শ্রী নুংলেপ্পম শ্যামকহ্নাই সিংহবু থোইদোক্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অফোঙবা নোহাখোলগী মাইকৈদগী ৱারোল অমা থম্বিবগীদমক ওজা শ্রী খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম, লুপকী জেনরেল সেক্রেটরীবুসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি। লাইরিক মখুমগী ডিজাইন্দ তৌবিখিবা আর্টিস্ট ওজা শ্রী এলঃ জয়চন্দ্রা সিংহ, সগোলবন্দ তেরা থাঙ্গপাৎ মপালবুসু ইকাই খুম্নজরি।

লাইরিক অসি অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা মাইপুননা হোৎনবিখিবা আর. এস. প্রিন্টর্স, কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাইগী মরূপ মপাং অমদি ইচিল ইনাওশিংগীসু চাউরবা লমন অমা তোনশিঞ্জরবনি। চহী কয়া লোয়নজরক্লিবা ইয়াম্বা শ্রী নিংথৌজম ইনাওচা সিংহ (সোসিএল ৱার্কর, য়ুর্থ এৱার্দী), শিংজমৈ চিঙা মখা ক্ষেত্রি লৈকাই, ঐগী ববা-ইমা, ইচিল-ইনাওশিং, লোয়নবী অমদি ইচানুপীবুসু লাইরিকসি ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা ঈনোৎ হাপ্লীখিবগীদমক নুঙাইবা ফোঙদোকচরি।

লোইশিঞ্জরকপদা, লাইরিকসিদা য়াওরিবা ঈশৈশিং অসি লমদমসিগী শৈশকপা-শৈশকপীশিংনা অপাম্বা অমদি খুদোংচাগদবা য়েংবিদুনা শকপীনবা হায়বিরকপদা হরাওনা য়াজগনি, অমদি মদুগীদমক্তসু থোঙ লাউনা হাংদুনা থমজবগা ইরোইননা মীয়ামদা খুৎশিন্নজরী ঐগী *"থম্মোয়গী ভাষা"*। পুন্নমকপু খুরুমজরি।

-ইবোহল

তাওবুংখোক।

য়াওরিবশিং

ঈশৈ ময়েকশিং

**** —— ****

ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯁꯩꯔꯦꯡ

থম্মোয়গী তাল্লা

(ঈশৈ ময়েকশিংগী খোমজিনবা শাইরিক)

তাইবং কনাদা শক্তম উত্তনা

তাইবং কনাদা শক্তম উত্তনা
জীববু শেম্বীবা, জীববু লানবীবা
খুকমজবি নখুযা' খাদা;
বিশ্ব-জগৎকী লেঙদ্রবা মকুপ - ।।

[illegible] পা, অবা[illegible], [illegible] তুইবা
নঙ্ভতনা শীনবনি মীওই মপোক্তা
অহৌবা, অবোইবা অনীগী খেন্নবা.
নঙতনা শান্নবা তাইবং লীলানি - ।।

পঙলবা ঐদি কবিসু খঙজদে
নগুণবু শোঞ্জবা সিমত্তং নিজবি.
মপোক খৃদিংদা ননাই ওইজগে.
কনবিযু অন্নাবা, তাববা মতমদা - ।।

থম্মোয়গী ভাষা

ইম্ফাল, ১৯৭৪

১

নঙগী নগুণ শোঞ্জবনা

নঙগী নগুণ শোঞ্জবনা
পুন্সি' থৌদাং ওইজরগে
তেল্ল' তাইবং মপোকসে
চঙ্জলগে নখুযাদা ।।

অহিং নুংথিল অনামক্তা
কাউজরোইনে কোলোয়বু
ব্রারক্লবা মতম খৃদিং
কনবিযুনে কনবি হৈবা - ।।

পঙল' থম্মোয় ওইরুবনা
পাপনি খঙদ' লঙজখিবা
ঈরাল কয়া পুন্সিসিগী
ঙাকপিযুনে ঙাকপি হৈবা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৮৪

পীনহৈবা ইবুংঙো

পীনহৈবা ইবুংঙো
অতোনবগী উপায় ওইবা !
খৌগংলবা থম্মোয়দা
থৌজাল ঈরিক খিকপিরো - ।।

হাঙল' থম্মোয় লাকাদা
লেঙশিন্দুনা ঙানবিরো
মীৎলু' লাইজ মপৈনা
নখোঙ থম্বাল চাম্লগে - ।

পৃক্লিং অসে ঈংনবা
তাকপিয়ুনে নয়াথং
অহিং নুংথিল নাইদনা
নগুণতবু শকচগে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৪

থরায়গা হকচাংগা খাইনবগা

থরাযগা হকচাংগা খাইনবগা
কদাযদা অমক পুবিগনি !
নুংশিববা থরায় অসে !
তাকপিযুনে হে শকউদবা;
অচৎ চত্তবু লানবীবিব ।

থরাযনা মীবাইবিবল্লবা
মল্লবা হকচাং পোলাংদি.
মৈতান্না রাখে হৌবনি,
উফুল্লক্তা তিলহৌবনি - ।।

পাপ পুণ্যগী তুংইন্না
পুনিংবা মফমদা পুববা,
স্বর্গগী লৈকোন্দা থম্বিববা,
পাপকী মৈশা লাংহনববা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৩

তাইবং পুন্সিনা নুংঙাইনা লেল্লিঙে

তাইবং পুন্সিনা নুংঙাইনা লেল্লিঙৈ
মীকৃপ 'মত্তসু নীংশিংলুদবা,
ফংনীংলক্লে ইবুংঙোগী দর্শন
পুন্সি কোবৌনা তাবমদাইসিদা - ।।

পোম্বা চেক্লানা নগুণ শক্লকপা,
লিবি মালংদা নপাউ চেল্লকপা
তাকুদে, খঙলুদে কৈদৌনুংদা
পাক্ল' মাযাগী ঈপাক্তা তাউবিঙৈ - ।।

ভক্ত কযানা ব্রানা ফংজখি
মপোক কযাবক নগুণবু শক্কুনা
লোইবমদাই পুন্সিগী মীকৃপ অসিদা
নঙবু শোঞ্জবা কবম্লা ফংগনি - ।।

খম্বোয়গী তাম্বা   ইম্ফাল, ২০০৪

খুরুমজরি জগৎকী মপু

খুরুমজবি জগৎকী মপু
শকউদবা, ইবুংঙো নঙবু,
ননাইগী ননাই ওইবা ঐনা
হন্না হন্না নখুযাখাদা - ।।

নঙগী তাইবংদা পোকচদুনা
উজবে তাইবংগী ফজবা কযা,
মপোক মপোক খৃদিংদসু
পোকচগে ননাইগী ননাই ওইনা - ।

কাউজন থীবা মপোক্লীনা
কাউথোক্লুবে নুংশিবা কোলোয
পীনবিয়ু মতম চৃপ্পা
নখুয়া থম্বালবু কাউজদবা - ।।

তাইবং শিন্থা লোইদুনা

তাইবং শিন্থা লোইদুনা
পুন্সি চেঙজেন্না খন্নগা,
লানবিয়ুনে ঐবুসু
জগৎ শেম্বা ইবুংঙো - ।।

নঙগী তাইবং লৈকোন্দা
লৈরাং ওইনা শাৎলরে,
নোংমদি লৈমন চন্দুনা
কেল্লনি মতমগী লৈমায়দা -

থব্রায় হকচাং খাইনরমদাই
পুন্সি নুমিৎ তারমদাই,
তাইবং ৱাংমদা পুবিনবা
লৈবিয়ুনে ঐগী ইনাক্তা - ।।

থম্মোয়গী তাম্না

ইম্ফাল, ১৯৯৫

যমুনাগী মপান্দা

যমুনাগী মপান্দা
কদম পাম্বী মখোঙদা,
যষোদাগী মপাবী,
চীন্দা মুকুলি খোংদুনা
কৌবি চন্দ্রাবলিবু - ।।

যাবট শঙ্গাইনুংদুদা
মুকলি খোঞ্জেন তাবদা.
মৈশা লাংনা লেল্লিবী,
ব্রাজরবী বাধিকা
থম্মোয মৈহুম চৃখবে - ।।

নুতি নুমিৎ খৃদিংগী
রাধাবু অসুম ওৎলগা,
মাগী করি অপেনবা,
তেংথারিনে হিক্রবু
লোন্না লোন্না রাধানা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০০



থম্মোয় লাকা মৈহুম চুরে

থম্মোয় লাকা মৈহুম চুবে
বাধা ঐসে খাঙমদবে;
লেপ্লো ইতা মাগী মপাউ
তম্নগনু অমুক হন্না - ।।

চন্দ্রাবলি হাযবীদুগা
মনীং থুংনা লৈখ্রসনু.
মহাকথক্কী ব্রাজবী
বাধা ঐবু কাউখ্রসনু,
মীৎকি পিসে উদ্রসনু ।।

থব্রায অসে পুঙমদবে
মাগী মপাউ তারুবগা;
লৌনম্বদা হালেঙদবা
মতাৎ চাউবা মাগী শক্তম,
য়েংজখ্ররোই হন্না-মুক্তা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইন্ফাল, ২০০০



তাদবরা সখী নঙবু

তাদববা সখী নঙবু
থম্মোয হূবা খোঞ্জেনসিবু,
ষমুনাগী মায়কৈদগী
ইপোম হৌনা লাক্লিবসে - ।।

পূক্লিং অসে তপথদবে
যৌনিংলেনে মফমদুদা,
মাবু কনা ওইবিগবা
উনিংলেনে মাগী শক্তম - ।।

চেনখিদৌবে থব্বায অসে
লৈতাদবে সখী ঐসে,
উহল্লুবা মাবু মীত্তা
কল্লুগবা বাধা ঐবু - ।।

মমাংথোংবা ইবেচৌ

ইম্ফাল, ২০০৫

১১

চেক্লা, নখোয় ঈশৈ শকখো

চেক্লা, নখোয় ঈশৈ শকখো
উপালসিগী ফৈরাথক্তা;
নুংশি শৈরোল তানা তানা,
য়ারৌ কৃম্মৈ য়েংনা য়েংনা;
পোত্থাখিগে উখাসিদা
উপালসিগী উরুমসিদা - ।।

নমীৎ ননা তথক-তথক
করিবুনো চিংনরিবা!
হায়য়ু চেক্লা, খুম্মু য়ারৌ
চুম্না লম্বী চৎপা ঐসে
উয়ানবনি খল্লিবরা,
শাদানবনি নীংলিবরা - ।।

চেক্লা নখোয় নৈত' লমদা
নুংশি শৈরোল তাররোইদো;
য়ারৌ নশক উদ' লমদা
মহৌশানা কপ্পনিদো;
উপাল নঙনা হৌদ লমদা
তাইবং কনানো হিংগদবা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

তামেংলোং, ১৯৭৮



লীরী তেঙ্গা থোংখিনু

লীরী তেঙ্গা থোংখিনু
ঙাইখোগবা শাদানবা:
চেল্পা মাবু কাপকনু,
য়াবৌ মাবু হাৎকনু - ।।

তাইবং থম্মোয শুমহৎনা
বিশ্ব জগৎ শীন্নবু,
নুংশি শৈহেক তস্লিবা,
চেল্পা মানি কাউবরা - ।।

শকহেনবীদি য়ারৌনি
তথকচবী শজিনি;
থমখো নঙগী লীরুংদো,
য়েংখো মাগী মতৌসে - ।।

চেল্পা য়াওদ্র' লৈকোয়পুঙ
নুংশি শৈরোল, তাররোই;
শজি শঙাই উদ্রবা,
তায়োন্ননি তাইবংপাল - ।।

তামেংলোং, ১৯৭৮

লাক্লে ঙসি য়েন্নীংথা

লাক্লে ঙসি য়েন্নীংথা,
তাইবং থম্মোয় শুমহৎথা;
ঋতু থৌগল কায়দনা,
বসন্ত মপাউ পুরক্লে - ।।

উপাল ব্রাপাল খৃদিংসু,
লৌবুক লম্মাং কয়াসু;
চরৈ ফীজোল হোংলক্লে,
মালেম মোমোন নোক্লক্লে - ।।

লৈচু হেনবী চুম্ব্রে পাম্বী,
মপান্না শীন্না য়োন্নরে;
নিংথিবী নুজাই' নাপদা,
বসন্ত লৈরাং, নাচোম ওইররে -

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৭৮

১৮

নোংপোক চীংখৈ হুন্দ্রিঙৈ

নোংপোক চীংখৈ হুন্দ্রিঙৈ,
শম্পোৎ খোইবা মৎখিবা:
ইদু নঙবু লায়রবা !
নচেম্না চয়োম পুরক্কে,
চারখো লাউনে নুংশিবা - ।।

পম্বৌনা ৱানা কোইরম্বা.
পলেম্মা মখোঙ শোন্নম্বা:
য়েল্লাং-কেঙৌই মন্দুনা
তরা শিল্লংলকপনি,
চারখো লাউনে নুংশিবা - ।।

পলেম পম্বৌনা হুন্দোক্লম,
নঙনী পাঙ্গল চাউদ্রিবা;
ইদুই’ চফম ওইনবা
অহাও-হাউতা থিদনা
চারখো লাউনে নুংশিবা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৩



বসন্ত ঋতুগী নুমিদাংৱাই

বসন্ত ঋতুগী নুমিদাংৱাই
তমযানা কোবী চেনবদা
কযাদা নীংথিজবিবা !
পোইবৈ চীংযা তমযাসে - ।।

মালংনা লিবি হুম্বদা
নুংশি লৈনম যেল্লিয়ে.
থাপ্ল' লোইবী চীংযাদা
উবোক পবেং পাইবিযে - ।।

খুঙ্গং চনু কয়ানা
নাপ্পদা নাচোম থেৎলিযে.
খুনগী শঞ্জেন নহানা
শল্লুপ পবেং হোইবিয়ে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৯৩



মেরা থাগা খুৎশম্না

মেবা থাগা খুৎশম্না,

তাইবং থোঙ্গাল তমদুনা

লাক্লে লাক্লে লংবনথা - ।।

অহিংদতা শাৎচবী,

নোংঙাল্লমদাই কেঞ্জবী

তাইবং মীনোক কিবলৈ.

শিংঙেল মাগী লৈনম্না

ব্রাখল পৃক্লিং ইংবথা,

লাক্লে লাক্লে লাংবনথা - ।।

লাইবমলেনবু পাংখ্রবা,

থব্রায় মিবেল কযাদা

থম্মোয় তর্পন কৎনথা.

অব্রা নুংঙাই অনীগী

লংদাই ওইবা লাংবনথা,

লাক্লে লাক্লে লাংবনথা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৭

সন্ধ্যা মতম ওইরক্লে

সন্ধ্যা মতম ওইবক্লে:
লৌবুক মায়কৈ পাংখিবী,
পলেম ইমা লায়ববী
ইবান খোঙদোইরক্লনি;
ইদু নিংথৌ চাউদ্রিবা,
কপ্লগনু কৈদৌগে - ।।

অযুক য়েন্দা অঙনবা
খাবি মায়কৈ পাংলমদাই,
কাউবববা পলেম্না
যাবা চীংগোইবম্বদো.
হৈত্রেক য়েল্লি হেক্লক্লে ,
নঙগী ঙমোক পুবক্লে - ।।

ইংঙা নোংনা কনবনে
মোংবা ইরান্না যুবনে,
ইদু নঙনা কপ্পনে
ইচেম তৌফম খঙদরে;
পলেম 'মাসু য়ৌরক্লনি,
কপ্লগনু নুংশিবা - ।।

মশ্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ১৯৯১



শংবান্নবা মালেমগী ফীজিদা

শংবান্নবা মালেমগী ফীজিদা
কোবৌগী খুংশানা য়াল্লক্লে,
ইমা অয়ুক্কী লাইবেন্থী,
ঈংনা খোঙদোই হুল্লকলে - ।।

খাবমগী নুংশিং নামিবা
লিবী খোঙদোই হুল্লক্লে,
পোন্থী চেক্লা কযানা,
যাকাযবোলবু শক্লক্লে - ।।

শজিক চাবা কাওবেলশিং
লৌবুক লমহাং তন্নকলে,
খুনগী শঞ্জেন নহাসু,
নুংশি ঈশৈ শক্লক্লে - ।।

[illegible] ইম্ফাল, ১৯৮৭

[illegible]

নিংথিবী মেরাগী পূর্ণিমা

নীংথিবী মেবাগী পূর্ণিমা
নোংপোক চীংদোলদা থোবক্লে.
ঈংলবা থাবল ইপোম্মা
ঙাইবং থম্মোয শুমহৎলে - ।।

থাজ মাগী মঙান্দা
থাবল্লে লৈবাং শাৎকাযবে.
নুংশিবা লৈবাং লৈনমদো
মালেম লৈকোযদা যেল্লকলে - ।।

থাবল ইপোম মবক্তা
নোংইন চেক্লা পেঞ্জবি.
চীংনুংগী তাম্মা নুংশিবী
তাম্ম তাম্মা খোংলক্লি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৭



মহৌশা কৌবী হে ইমা নুংশিববী

মহৌশা কৌবী হে ইমা নুংশিববী
শকফম কাযবে য়েংলু খৃদিং - ।।

কোক্কী শন্নাং, কদায ঙম্না কেনখবে
শংলেন ফাঙোল, কৈদা লোইনা চৎখবে
নোক্লবোইদবা ! যেন্নিং থানা লাকপদা - ।।

কৃৎলবা মীৎলু, কবি' পিবাং ঈহৌবি
মতমসু নত্ত, কবি' হীক্লা তেংথাবি
চাক্লববনে ! থোৎলবী নঙগী থম্মোযদো - ।।

প্রলয়গী মৈবি, চৃখৎপিগে খনখিনু
কপকনু ইমা, মোমোন মীনোক তমখোনে
ফীজোল হোংখোনে, অনৌবা অশাগা লোইননা - ।।

তামেংলোং, ১৯৯৭



কুমগী নোংখোং অহানবা

কুমগী নোংখোং অহানবা
খোম্থাং য়েনা নিল্লরে,
কংলৈ পুঙগী নোংদমখোল;
লাক্লে লাক্লে নৌহৌনা
মতম মাগী খোঙচত্তা - ।।

কুমগী নোংজু কিজবনা
পোশ্নী চেক্লা কযানা,
মহুম পোঞ্জেন শেমজবি.
কোযনা কোযনা পাইদুনা
মফম চাবা য়েংজরি - ।।

কুমগী নোংনা লাক্লবদা
লৌবুক লমহাং কয়াসু,
লাইজ ঈপাল লাংলনি;
য়াঙ্গংলবী তুরেলশিং
ঈমায় চোন্না চেল্লনি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা | ইম্ফাল, ১৯৯৩

১১

তেংনৌ শীংজং চেংনা পায়

তেংনৌ শীংজং চেংনা পায়,
উয়োক তুম্না য়াল্লিবা
শানৌ নহা পাঙ্গলবা !
ঙাইখোগবা ! কৈদৌগে ঙাইহাক্তং - ।।

চেক্লা 'চাদি অপিখক
মশা পান্দা' পাইঙমদ'
পীক্ল' মহুম পোন্দুদ'
চীঙ্গাক থিবা চংখিবা,
পলেম - পন্থৌ ঙাইবিদো.
নুংশিদবা ! নঙবু হে উয়ানবা - ।।

পোম্বী চেক্লা কয়ানা
তেংথা নাওইহৌরনি;
উপাল হৌদা লমদমদা,
য়ারৌ মাসু উররোই !
খন্থখোনে অমুক্তা,
কৈদৌবগে ! নঙবু হে উয়ানবা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৮৭



লুকোক্লবী চীংশাংনা

লুকোক্লবী চীংশাংনা
নুংশা ফুয়না হোল্লিয়ে;
লৌবুক লমহাং কয়ানা
কোবৌ মৈশা খাঙলিয়ে - ।।

মমা ওইবী পোশ্বীনা
মচাশিংবু কৌবিয়ে.
শজি-শঙাই খিবিক্লা
লৈকুৎ-লৈবাই থিবিয়ে - ।।

পিবাং পুবী লৈচিন্না
মতম নাইদা' কপ্লিয়ে.
যাঙ্গংলবী ভুবেলনা
ব্রানা ঈপাক তান্নয়ে - ।।

চোকথববী মালেমসে
ওন্ন থোইনা খাঙলিয়ে
মহৌশাগী ব্রাকৎসে
তাবীনবা য়াওদ্রিয়ে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

চান্দেল, ১৯৯৬

য়েংউ পৃক্লুং হুদরা

যেংউ পৃক্লিং হুদরা
মীতৈ পোইবৈ লমদমসে,
ঈংনা তোমথিন ঙাল্লিসে,
নাইতোম থোকপী থাজগুম - ।।

লৈকোনশিংগী ফজবা
লৈবাংশিংগী নীংথিবা,
নুংশিববা লৈনম্মা,
তাইবং শিন্না যেল্লিসে - ।।

লোইবী চীংশাং পবেংনা
মাইকৈ খৃদিং ঙাক্লিসে,
পোম্বী চেক্লা কযানা,
নুংশি শৈহেক তল্লিসে - ।।

যেংলু' উক' খুদিংদা
থল্লি অশং-অমান্না,
কবিশিংগী পোক্লফম,
নুংঙল্লিদা লমদমসে - ।।

[illegible] ইম্ফাল, ১৯৮৮



লাঙ্গোল চীংখোং ওংজবী

লাঙ্গোল চীংখোং ওংজবী
লমদা থাদা পোমজবী,
শজিবুদা শাৎচবী
যাবল পাৎকী কোম্মীবৈ - ।।

লৈবাং নতৌ উকুবা
নীংশিংহল্লে মাঙগীব্রা,
মপোক লাংওন লাংওনদা
শাৎলকউকো নীংথিবী:
লৈবাং লৈনম য়েন্দুনা,
লম্ফেল নাব্রা কোম্মীরৈ - ।।

শজিবুগী নোংলৈদা
চৈরাও কৈথেল কারক্লে
সনা লৈপাক লমদমগী
যুমথোঙ খূদিং য়ৌনরৈ;
শাৎখো লৈরাং লৈনুংশি,
শীংঙেল নঙবু কোম্মীরৈ - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

শাঙ্গোল, ২০০০



লাক্লো লাক্লো কুমগী নোংহৌ

লাক্লো লাক্লো কুমগী নোংহৌ
শক্লো শক্লো নোংজু ঈশৈ.
থাবো থাবো নোংখোং তাম্বা
জগোই শাবো নোংথাং নঙসু - ।।

চাকথেক্লবা মালেমপৃম্বা
ঈংহনবীবো, কুমগী নোংনা
লাইজনুংদা লেম্লৈশিংবু
শান্নহল্লো মনিং তম্না ।।

লৌবুক লমহাং, চীংয়া-তময়া
হোংহনবিবো, শংলেন ফীজোল.
কংলুববা উপাল-ৱাপাল
চোংহনবীবো নৌনা ময়োন - ।।

খৌগংলবা তাইবং থম্মোয
কোকহনবীবো অবাম-খৌবাং.
য়াঙ্গংলবী তুবেল কয়া
চেলহনবীবো ইমায় চোন্না - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৯

হাদা লৈরাং নীংথিজবী

হাদা লৈরাং নীংথিজবী
থোংনা নৌবী জুকো লীলী
শাংলু শীংঙেল, নকা ফন্না
যেল্লু লৈনম, মালেম শীন্না - ।।

চীঙনা পল্লান খঙ্জিনব
তাম্ন তমপাক লমদমদুদা
কংলৈপুঙগী ঙমখৈ ঙাক্লা:
শাংলু শাংলু ঋতু খুদিং:
খাঙুথক্কী পাউখোং কয়া,
ফোংলমখোকো, মোমোন নোক্লা - ।।

চহী লীশিং কয়া কয়া
নঙগীদমক ব্রাজরকপী
কংলৈপোকপী পলেম 'মাগী;
খোল্লাং লন্মন শিংলমখোকো:
তাবুনুঙগী ব্বারী শীংবুল,
লীরমখোকো, তাইবং শীন্না - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

সেনাপতি, ২০০৫

মণিগুম চীক্লা ঙাল্লম্বী

মণিগুম চীক্লা ঙাল্লম্বী
নগুণনা মালেম শীল্লম্বী
কৈদা চৎ্ত্রে ঙসিদি
হায়য়ু ইমা মণিপুর - ।।

নঙগী লম্রাই কোইরেন্দা
মৈরী থোক্তে' চাক্লক্লে
নীংথিবম্বী নতস্বাক
মোংফম ওল্লে ঙসিদি - ।।

নঙগীদমক ম্রাজবা
কনা উদ্রে ঙসিদি
শা, ওল্লেনে নচাশিং
অঙম-অঙম হাৎনরে - ।।

য়েলহৌ নৈঙগী শাক্তমদো
মমি শাল্লা উরেদো
মতম মাগী য়াওন্দা
শকফম কায়রে ঙসিদি - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০০

নীংথিজেদা ফজেদা

নীংথিজৈদা ফজৈদা
নুংঙোল্লিদা লমদমসে,
লোইবী চীংশাং কয়ানা
পল্লোন শানা খাবিদা,
য়েংখি' য়েংখি' মায়কৈদা
মীৎফম হোংগে ঙমদেদা - ।।

চীংগী নাপোম কযাসে
শংলেন ফীজোল থোল্লিদা,
হৈবাং লৈবাং কযানা
ফুগাযনবু শাৎলিদা,
লিবি শীৎপা মালংদা
নুংশি লৈনম য়েল্লিদা - ।।

চীংনুং ফাওনা খোঙলম্বী
লীশাংগুম্না তাবিদা,
পীক্ল' খাংপোক পরেংসু
তুমপক তুমপক লেপ্লিদা,
হারি মাগী খোঞ্জেলসু
নুংশি নুংশি তারিদা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

তামেংলোং, ১৯৯৮



মালেম লৈকোন্নুংসিগী

মালেম লৈকোন্নুংসিগী
লমদম কৈদ' শাত্তবী,
শিবোই মাগা মশাইগোন
থাদোক্তুনা চত্তবী,
নুংশিদকো নুংশীবী
শিবোই লিলী নীংথিবী - ।।

ব্রাবী শীঙবুল কযাবু
লোৎশিন্দুনা থম্লবা,
তান্ন' মীৎযেং পোইবৈদা
নদোম চীক্লা শাৎলিবা,
কবি লাইব্রা লৈবনো
শীংঙেল, কবি ব্রাখলনো - ।।

কিংদোন ব্রার্ডকী মমোমলোই
শাৎখো লৈবাং নীংথিবী,
মপোক লাংওন খুদিংগী
শিবোই চীংগী নাপোমদা,
চীংলৈবাক্কী ব্রাবীসে
তমখো মালেম শীন্নবু - ।।

শিবোই, ১৯৮৮



লাউনে নঙবু ইশানৌ

লাউনে নঙবু ইশানৌ
মীৎফম হোংগে ঙমদবা,
মাঙদা লৈবে লোক্তাক পাৎ,
যেংলুসিনে ঙসিদি - ।।

বাকয়ৈ হিবু ভোংদুনা
হৈক্রক যেল্লি হেকলিযে,
নীংঙোল ওইবী কযানা
য়েংউ ইনবু চিংলিযে - ।।

ঙানু থঙ্গোং কযানা
পাৎযাইদবু চাক্তাবি
থবো থম্বাল খিবিক্লা
মকা ফন্না শাৎলিয়ে - ।।

থম্বোয়গী তাম্বা

পাইমতোন, ১৯৮৪

ময়ায় কল্লবা নিশাগী মৈরীদা

ময়ায় কল্লবা নিশাগী মৈবীদা
পুন্সিবু তাঙ্গোই, ওলহলগে খনগনু
কবিগী তৃমলি' হৌগৎলো নহাবোল,
লৈতবে মতম, কল্লবো খুন্নাইসে - ।

লমজাও খোন্না চাক্লক্লে মৈবীসে
খুন্নাইসিগী থম্মোয লৈযোন্দা,
কবম্না কনসিগে কবম্না হিংসিগে,
ৱাখল পুথোক্লো, লিংজেল ফুদোক্লো - ।।

কানিগী ময়ায়দা কেমদোইনকবা,
চাইনাগী মতৌসে যেংউনে নখোয়,
নওগী খুন্নাইগী নুংঙাই য়াইফবা,
নখোয়দা লৈরে মতমগী নহাবোল - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৬



লমদম কৈদ শাংখরে

লমদম কৈদ শাংখবে
হাঙল' থম্মোয় লৈকোন্দা
নদোম তবক থাজবা
হাদা লৈবাং লৈনুংশি - ।।

নঙগী নুংশি লৈনমদি
থম্মোয়নুংদা চৃহৌবে
থোৎনা নৌবী শক্তমদি
লোইদাম কুইবে উদবা - ।।

মতম মাগী যাওলদা
লৈবাং ব্রাখল হোংখ্রবোই
নুংশি ব্রাশক নীংশিঙদা
শিঙেল নঙবু কৈদনো - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০১



কেন্নবা শাৎপরা

কেন্নবা শাৎপরা,
শাৎননবা কেনবরা !
তাইবং লৈকোন্নুংসিদা,
পুন্সি লৈবাং করিনো - ।।

চীংদা শাৎপী ঈঙেল্লৈ,
লাইজ থক্কী থরিকথা,
খেন্নববু লৈবরা !
মীওই পুন্সি মপোক্কা - ।।

খুদুম শীংনা লাক্লগা,
খুবাক তিংনা হন্নরি;
মিংচৎ উরোং খিল্লম্মু !
তেল্ল' মপোক অসিদা - ।।

চানচ'য়াগী চংজৈ

ইম্ফাল, ২০০২



নোংমা পুন্সিনা য়াইফবিঙে

নোংমা পুন্সিনা য়াইফবিঙে
ঐগী ওইবম্বা সংসাবসিদা,
উদ্রে কনাসু ইমীৎসিদা
ঙসি অব্রাবা তাববদা - ।।

অহিং খূদিংগী যাবেক্লম্বা
ঙম্না পাইখবে চেক্লা শঙ্গু,
চীঙ্গোল লাম্মেনা চাক্লবদা
উপাল মাতনি কেমহৌবদি - ।।

ঈপাম্বাদুগী লাইজমপৈ
ঈপাক তমদুনা চৎখিবনি,
কোবৌ মৈশাসে খাঙমদবা
তোবর্বান মাতনি খাঙহৌবদি - ।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৪

মল্লবা উনাগী খাংপোক্তো

মল্লবা উনাগী খাংপোক্তো
কল্লবা মতমগী শহুমদা
তুখিবা ঙাইফুলা লেপহৌরে
কনা উদ্রবা মফমদা - ।।

থামস্না অতিং খৃদিংগী
মৈবানা ঙাল্লম্মী খাংপোক্কুং,
ব্রাববা যাত্রিক কয়াগী
অব্রা' পোত্থাফম ওইবস্না,
ঙসিদি শকফম কাযহৌবে
কনাসু মনাক নকহৌদ্রে - ।।

ওইজবা থিবা তাইবংদা
মাগীদি করিসু লেমহৌদ্রে,
চরী তৎলবা পুন্সিদো
আশাগী ঈচেলসু খমহৌরে;
লৈমায়দা তুখিবা ঙাইবনা
অরেপ্পা ব্রাখল ওইহৌরে - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০২

৩

শৈরোই ঈশৈ শক্ল-শক্লা

শৈরোই ঈশৈ শক্ল-শক্লা
তাইবং কনাবু হৌরমদনা
ঐদি চৎলে তাইবং ম্রাংমদা
পুন্সি চেঙজেল লোইরদুনা - ।।

পাক্লবা, খাবি লৌবুক লমহাং
থেক্লা খোযববা, খুঙ্গংগী লম্বী
উচেক ম্রায়াগী নুংশিবা খোঞ্জেল
ঙম্না লৈহৌবে মখোয় পূম্নমক - ।।

মরুপ-মপাং, মরী-মতা
ঈচিল-ঈনাও শাগৈ-নাতৈ
নুংশি নুংশিনা বিদায় পীরম্লে
ঐগী অরোইবা পুন্সিগী খোঙচত্তা - ।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৬



পৃথ্বী মপানগী শিঙ্গারৈনা

পৃথ্বী মপানগী শিঙ্গারৈনা
মদোম কেলহৌরে নোঙান্দনা
শৃমাং মাচীগী মাল্লিকাসু
হিক্রা কপহৌরে লোন্না লোন্না,
নীংঙোল মতারোই চৎথ্রবদা
য়ুম্নাক শাগৈ হোংথ্রবদা - ।।

পুন্সি শক্লোন্নি কায়ফদ্রবা
নীংঙোল ওইবীগী হৌনশানি,
লৈতে অশেংবা য়ুম্নাক-শাগৈ:
পলেম-পল্ভৌগী মীৎকী মণি
কৈরোই-লৈকাইগী মতারোইশিং
কপ্লা কায়নরে নুংশি-নুংশিনা - ।।

পুমচীক চীকহৌরে পল্ভৌ মাঙ্গোল,
মখোল থোকখিদ্রে চরাই য়োংখম;
লোইশিনবীনবা লৈতবনা,
পুমচাই চাইহৌরে শৃমাং থেলোং
মমোম কায়না মৈনা চাক'
কপ্লা লেলহৌরে পলেম ওইবীসু - ।

[illegible] ইম্ফাল, ২০০৪



ব্ৰাখল মিরেন শাল্লকালে

ব্ৰাখল মিরেন শাল্লকলে,
পুন্সি নুমিৎ তারক্লে,
মমশিল্লক্লে তাইবংপান - ।।

অঙানবা তাইবংগী ব্ৰাংমদা
চৎলনি অমম্বা লম্বীদা,
লৈহৌরনি মীরমলেন
মকুপ মপাং মপিজা - ।।

মপোক লাংওন অমগী
খম্মুং শাব্রা তাল্লনি,
তাইবং কনা হৌদনা
ইদোম তরক চৎলনি - ।

ধন্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৫



অরাবা নুংঙাইবা তাইবংগী লীচৎনি

অরাবা নুংঙাইবা, তাইবংগী লীচৎনি
কপ্পা নোকপা, পুন্সিগী খোঙলোয়নি
তেল্লবা মতমগী ফম্বাক্কী রাবীনি
পুন্সিবু কবিগী কপ্পুনা লেনগনি - ।।

মল্লবা নঙগী পুন্সি অতিযা
পুর্ণিমা থাজনা ঙাল্লনি নোংমদি
ঈংলবা থাবলগী মেঙলবা ঈপোমদা
থরায় নোংইনসু ঙাওবখিনি শোয়দনা - ।।

লৈখোক্তা পোল্লীবী লৈবাং কয়াসে
শোয়রোই নোংমদি লৈশাৎ তম্লনি
নোক্লো নঙসু তৈথোক্লো পিরাং
তাম্না হুম্লক্লে আশাগী মালংনা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৫

ভারত ইমাগী লৈকোম্নুংসিদা

ভাবত ইমাগী লৈকোন্নুংসিদা
লৈবাং লৈখল শুনা শাৎলে,
লৈশক লৈচু তোঙাল্লসু
অমত্তনি লৈকোনসিদা - ।।

গঙ্গা যমুনা, কৃষ্ণ কাবেরী
চেল্লী ঙসিসু [illegible] লেপ্লে.
ঐখোযগী থৌনা অপূনবা শক্তম
মুৎপা নাইবোই য়ুগ খুদিংদা - ।।

মচু অহুমগী ঐখোযগী ফীবান্নি
পাইবি ঙসিসু হাযনা হুম্না,
নীংতম খোঞ্জেনসু খোন্থাং যৈবি
ঈংনা মেঙলবা ভাবত অতিযাদা - ।।

নঙনা সীখনি মানা হিন্দুনি
ঐনা মুসলমান কবিগী খাযগনি,
জাতি বিজাতি খেন্নবা লৈতে
ইমাগী মচানি ঐখোয পূম্নমক - ।।

থম্মোয়গী তাল্লা

ইম্ফাল, ২০০০



শাৎলরে ঙসি নঙগী লৈকোন্দা

শাৎলরে ঙসি নঙগী লৈকোন্দা
মখল মচুগী লৈরাং কয়ানা,
পোক্লফম লমদম, ইমা মণিপুব
নঙসে পলেমনি, কাঙলুপ খুদিংগী - ।।

ঋাতুগী খোংচৎ লেপ্পা লৈতনা
শাৎলি লৈরাংশিং লৈনম য়েন্দুনা,
হৌখ্রবা, চহী লীশিং কয়াগী
শাগোন্নরক্লি নঙগী ইতিহাস - ।।

তমদসু ওংলি চীংগী লৈবাংনা
শাৎলি চীংদসু তমগী শিঙেন্না,
অমত্তা ওইবৈ ৱাখল পরীঙদা
হিংমিন্নরক্লি ঙসি ফাওবদা - ।।

চানচৈয়াম্পা ইবেন   লোনে, ১৯৮৮

৪৯

তূমখুন তাল্লিবা খুন্নাইসিগী মীয়াম

তুমখুন তাল্লিবা খুন্নাইসিগী মীযাম
কৈদৌঙৈ থোক্কনি খোমলেন মীকপ !
কযাম কুইনা মঙখিনি মঙলান
নযুম খাম্বী মৈব্রাযবক্লেনে - ।।

কিহনবীববা জাতিবা নখোয
ফুম্বংনববা পুন্সিবা হাযযু !
হিংনা হিংনা শিবা তমলিববা
পোকঙমদা পোকপা মপোক্লি কাউববা - ।।

চাওখৎ লমজেন্দা মঙম শান্দ্রিবা
ওইদবা কযানা খুল্লিঙবা লমদমনি !
কবিবু যেংলি তূমিন লৈদুনা
মীকপ থোক্লো কল্লবো মৈবীসে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ২০০৭

নীংথিবী শক্তমনি ইমা নওগী

নীংথিবী শক্তমনি, ইমা নওগী
কায়হনবা ঙমলোই কনানসু
চহী লীশিং কয়াগী ইতিহাস,
শেমদোকপা য়ারোই খাংঙুথক্তা - ।।

কাঙলুপ কয়ানি জাতি কয়াগী
ইমা নওগী নশাইগোন্দা,
হিংলিবা ঐখোয়নি অমত্তা ওইনা
পুল্লিবা চেৎনা অপূনবৈ লংলানা - ।।

হোৎনরকখিনে থেংখাং কয়াদা
কায়হনগে খন্না নওগী শক্তুম্বু,
কাঙলুপ মরক্তা খাইবুং তানবা
মরূ হুনখ্রসু ময়োন্দি চোংলরোই - ।।

[illegible] ইম্ফাল, ২০০৭

লৌমী শিন্মী পুন্নমক

লৌমী শিন্মী পূন্নমক
মীকপ থোক্লো ঙসিদি;
মতম মাগী য়াওন্দা
মাঙজিন থানা চংশিল্লো - ।।

পুন্সি শিন্থা পায়দনা
হিংবা য়ারোই মালেমদা;
হোৎনজমন মহৈসু
হেকপা য়ারোই কনানা - ।।

অপুন্বগী লিংজেন্না
ফংনি তাল্লু অধিকার;
নঙগী সনা লৌবুক্তা
শিদ' পান্বী থানবা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ২০০৭



নমখায়সি লাওনে কাংলুপকী পনসে

নমখায়সি লাওনে কাংলুপকী পনসে
খেন্নহল্লিবা মীওইবা 'লক্তা:
হিংলমসি ঐখোয় অমত্তা ওইনা
শেল্লমসি মালেম, শান্তিগী লৈকোন - ।।

কনানো হিন্দু, কনানো মুসলিম
চীংমীনা কনা তম্মীনা কনা:
করিবু খেন্নে ঈখেংগী মচু
মীওইবা কৌবা জাতিনি ঐখোয় - ।।

অমরসু নত্তে, শিখিনি নোংমা
করিসু পুদ' চৎখিনি ঙম্না:
কল্লবা নুংশি লীপুন্না পুনশি
তেল্লবা মপোক নুংঙাইনা হিংসি - ।।

ইম্ফাল, ২০০৬



অমর নত্তে মীওইবা নঙসে

অমর নত্তে মীওইবা নঙসে
শিবগা লোইববা তাইবং মপোকনি
হিংমিন্নবমসি মীওইনা মীরক্তা - ।।

নাপলগী কিশি থাদোক্লদুনা
পুনশিন্নবসি থম্মোযগী লংলানা
মীওইবা জগত্তা হিংমিন্নবগী,
শক্লমসি ঈশৈ অপূনবা শৈহেক্তো - ।।

অচান মীরাই, অবানবা মীৎযেংনি
মান্ননা উবা অচুম্বা ধর্ম্মনি
অরৈ-লৈতা অনীসি নত্তনা,
করিবু খেন্নরি মীওইবা মপোক্তা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ১৯৯৯

পূনশীন্নবা হৈত্রবা লমদমসিগী মীয়াম

পূনশীন্নবা হৈত্রবা লমদমসিগী মীয়াম
পল্লেপফমসু খঙদা চৎনবিবা কৈদনো ॥

কনানা লমজিংনি কনানা তুংইল্লি
হৌফম্না কদাযদা লেইফম্না কদোম্দা
ঙাইহাক্কী ৱাখলদা খুন্নাইদা চৈথেং
লোইশিনফমসু খঙদা কনাদা তাইনন ॥

লুচিংবা ওইবগী মগুণসু যাওদবা
অচৌবা শানিংবা কযাগী চাযনপঙ.
কনানা কনবীনি ইমা লৈবাক্তা
কৈদৌঙৈ ফংগনি হিংবগী মহাওদি ॥

ইম্ফাল, ২১০

ঙসি মেগী অহানবা নুমিৎনি

ঙসি মেগী অহানবা নুমিৎনি,
শিন্মী মীযামগী শেংলবা নুমিৎনি,
হাইগৎসি পূন্না ঙাঙলবা ফীবানসে
পাইহনসি বাংনা নোংমদোল থেংন - ।

চাওখৎ লমজেন্দা মপা লৈত্রবা
ঙসিগী মালেম, শিন্মীগী খূদোলনি,
কৎসিনে লৈবাং, খুজোক খুজোক
শহীদ ওইখ্রবা মখোযগী মফমদা - ।।

থেংনখি মখোযনা লাইববা মীযামগী
শেঞ্জাও পাযবা নিতীগী মাযোক্তা,
শঙখিনে ফীজোল মশাগী ঈথেংনা
অঙাঙবা ফীবান্না তম্লন্মী খূদোল - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল মে ২০০৭

য়েলহৌঙৈগী মণিপুর

য়েলহৌঙৈগী মণিপুর
তায়োন্নরে ঙসিদি
অদুঙৈগী ফজবা
কৈদা ঙম্না মাঙখ্রবা - ।।

ঙ স[illegible]না নহাবোল
হয়েংগীদি য়ুম্বীবেল,
নত্ত-ওইদা মঙলান্দা
ঙম্না তূমখুন তানখবে,
ব্রাখল লৌশিং থোকখিদ্রে
কদোমদনো লম্বেলসে - ।।

ভারতকীদি মণিনি
সুইটজরলেন্নি হায়নবা,
কদায় নঙদি মণিপুর
ওইদবনা থল্লরে,
য়েংখি' উরু' খুদিংদা
পেন্নিংঙাইবু কৈদনো - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৯



নঙদি ঙসি চৎখ্রনি

নঙদি ঙসি চৎখ্রনি
চীঙ্ক খুঙ্গংসে থাদোক্কুনা
নীংজবা লমদম পাংখ্রনি
যাইফবা কনাগী ওইখ্রনি - ।।

নঙগী ঐগী বাবীসু
ঙসিদগী লোইখ্রনি
থাবল ফবা অহিংদা
অমুক উনবা ফংলবোই - ।।

লৈহৌবনি লৌবুক লমহাং
শকহৌখিনি খুল্লং ঈশৈদি
খুঙ্গং চনুবা মরক্তা
নঙদি য়াওবা উররোই - ।।

থম্মোয়গী তাল্লা

খুম্বোং, ১৯৯.১

নিংথৌ শেম্বা লায়রবশিং

নিংথৌ শেম্বা লায়রবশিং
কুইনা তূমখুন তাল্লিদকো,
ব্রাখিদৌরি নরমদমসে !
তাখিদৌরি মীকপ খোঞ্জেন - ।।

শূনা শূনা নোম্না নোম্না
চারা নামা হেল্লবশিং,
ব্রাখল লৌশিং থোকত্রবরা !
মৎখ্রবরা নঙগী হকসু,
হিংনা হিংনা শিরদরা - ।।

করিগীনো য়োম্থোক্লুবা
গনতান্ত্রিক অধিকারবু,
মপু পান্দ' লমদমসিদা,
লুচিংবনা শগুন তৌরি,
করি ফংলি নঙগী শরুক - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৭

ইংনা নাইতোম থাজগুম ঙাল্লব্বী

ইংনা নাইতোম থাজগুম ঙাল্লব্বী
ঐখোযগী লৈবাক্লি মণিপুর কৌবিসে,
ভারত ইমাগী নোংপোক লৈকোন্দা
মণিগী লৈরাং শাৎলব্বী লমদমনি - ।।

সতী থোইবী যাইবিপোক থম্বালনু
রাবী শীংবুল লীনবা মফমনি,
কুমগী নোংখোলনা নোংদম তাক্লিবা
ঋতু তরুক্কী শৈথাফম ওইবনি - ।।

লোইবী তম্পাক্তা শান্তিগী পাউঞ্জেন্না
কোয়না যেল্লব্বা পোক্লফম লমদমনি,
অমত্তা ওইবৈ অপূনবা লীচিংনা
শেমলমসি নৌনা শান্তিগী ইতিহাস - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৬

মখল মথেল কৃম্মি কয়া

মখল মথেল কৃম্মি কয়া
শান্নবিনে মীওইবনা
তাইবং লিলা ফম্বাকসিদা
তুংগী ৱাবু নীংশিংদনা - ।।

অৱা নুংঙাই তাইবংপান্না
কপ্পা নোকপা খোঙবুবোইনি,
অশিঙবনা নিংথৌ শাবি,
অপঙবনা মনাই ওইবি - ।।

ঙসি কবি ওইবগবা,
হয়েং কবি থোক্লগবা !
কনানসু খন্থনদে
মীকুপ 'মগী লিলাসিদা - ।।

ইম্ফাল, ২০০৭

১১

মীচম ওইনা হিংবা লুরে

মীচম ওইনা হিংবা লুরে
ইমা নঙগী নশাইগোন্দা;
ঙসি খঙদে হয়েং খঙদে,
কবি ওইনি, হাযবা ঙমদে - ।।

অচুম-অবান থিনদনা
অঙম-অঙম হাৎনববে.
ইমা নঙগী নচাশিংসে.
শাহীং চাবা, শাগুমলেনে - ।।

ইংনা চীক্লা হিংজরম্বা
শান্তি লৈত্রে পোক্লফমসে.
লোইবী তম্পাক অনীমক্তা,
খোম্থাং যৈবি, মীকপ খোঞ্জেন - ।।

থাদোক্কুনা চৎলসিরা
নুংশিরবী ইবমদমসে:
ইচম চম্না হিংবা পুক্সি,
শিনা শিনা হিংবগুমলে - ।।

খম্বোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৭

[illegible]

মীয়ামগী খন্দ্রবা লুচিংবা

মীয়ামগী খন্দ্রবা লুচিংবা
প্রজাগী মীহুৎনি কাউরবোই
য়েংঙুনে সনা লৈবাকসে
নঙগী পোক্লফম লমদমসে
মীকপ খোঞ্জেন্না নিল্লিসে - ।।

য়েংখি' যেংখিবা মাযকৈদা
কবিবু লৈবি পেন্নীংঙাই
ৱারবা প্রজা মীযামদি
আশাগী মামি শাম্লবনি
তুংগী লম্বেল মম্লবনি - ।।

অপুনবৈ শক্তি উৎনবা
করি থৌশিনবু শেল্লীবা
চৎনবী নিয়মসু মাঙখবে
শান্তি ওইরম্বা লমদমসে
মোংফমগী লৈবাক ওইররে - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৭

অৱাং নোংপোক ভারতকী

অৱাং নোংপোক ভারতকী
নঙনি মায়কৈ ঙাকখিবা;
মায়থোং য়াম্বা লুচিংবা
জন-নেতা ইরাবত - ।।

মীযাম ওৎ [illegible]
শিংনখিনে নহাক্লা,
লৌমী শিম্মী কযাবু
লমজিংখিবা নঙতনি.
মায়থোং য়াম্বা লুচিংবা
জন-নেতা ইবাবত - ।।

নরমদমবু থাদোক্লম
তাম্ল' অঙ্গো চীংখোঙদা,
মান্ন' খুন্নাই অমগী
শহীদ ওইখি নহাক্লা;
মায়থোং য়াম্বা লুচিংবা
জন-নেতা ইরাবত - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা   ইম্ফাল, ২০০৭

মোংফম ওল্লে সনা লৈপাক

মোংফম ওল্লে সনা লৈপাক
হিংবা ব্রারে মীচম প্রজা,
অঙম অঙম হাৎনবরে
শেৎ-শেত্তুনা চানরবে - ।।

অশোনবগী ব্রাকৎ কয়া
কনা লৈত্রে তাবিনবা,
হিংননবা হিংবা কযা
মমল য়াওদ্রে হিংলুবগী - ।।

য়েংখি' উরু' মায়কৈ খুদিং
লোইবী-তম্পাক শীনবা থুংনা,
শান্তি লৈত্রে লানবুং ওল্লে
মীকপ খোঞ্জেন তোয়শিল্লকলে - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০৭

শেঙ্গাউ পায়বগী রাজনিতীনা

শেঙ্গাউ পায়বগী রাজনিতীনা
লৈখা তাহল্লে গনতন্ত্রবু;
ফিদম য়াওদ্রবা লুচিংবশিংনা
কাং-খোং চাইহল্লে সনা লৈপাকসে - ।।

ওইজবা থিবা অপঙবা মীযাম
লৈপাক্কী বাফম থল্লুব [illegible]
লুপা খরদা, অথোয় ন পন্দা
চহী কয়াগী য়োল্লোক্লি হকপু - ।।

মীয়ামগী মিংদা লন্নায়গী থৌশিল
খুবাক ময়ায়দা শগুন [illegible] তীরি;
উরস্ খঙদে হায়রুবা য়াদে
চংনবী ওইখ্রে লমদম অসিগী - ।।

মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা লমসিদা
খাওখৎ লমজেন্দা মনীঙ হল্লক্লি;
মীহাৎ মীপুনসু নোংমা কাংলক্ত্রি
মীকপ খোঞ্জেনসু মাইকৈ শীল্লকলি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৭

খঙলরোই নঙনা ঐগী ব্লাখলসে

খঙলরোই নঙনা ঐগী ব্লাখলসে

ঙল্লরোই ঐসু নঙবু খঙহনবা

অসুম্না অসুম ইদোম হল্লগে

নীংজবা কয়া ফোঙদোক্লমদনা - ।।

নিংঙোননি নঙদি খোংনা লৈবদা

ক'বৈগী অদুক লিংজেন খাবনো !

কবন্থা শজিবুগী নোংলৈনা

হুমদোকখিবনো নঙগী মীনুংশি - ।।

কবিগী, নুংশিবগী মফমদা

ব্লাকৎনবরা হঞ্জিন হঞ্জিন্না !

ঐতনা খাঙবা কনমনবসিদা

ঐসে ব্লারল্লোই খল্লুরবরা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৯



কায়না মৈনা ব্লায়রবা

কায়না মৈনা ব্লায়রবা
থেন্বিদ্রবা থম্মোয়সে,
মৈশা লাংনা পুন্সিসে
পিরাং কংদ' লেল্লিনে - ।।

ঐনা অহিং তৃমদনা
চুবা মোনখাংনা লেল্লিবা
য়াইফকোন য়ৌখ্রবী নঙগীদি
নুংশি মীনোক ওইরমগনি - ।।

নুজাগী নুংশি ব্রাহৈদি
মীশুম লাইব্রা ওইরল্লে,
অশেংবা থম্মোয়নি খল্লুবা
পুন্সিবু মীনম্বিরল্লে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৮

লৈপাক্লৈ, ওল্লাংথাগী লৈপাক্লৈ

লৈপাক্লৈ, ওল্লাংথাগী লৈপাক্লৈ,
শার' লৈতঙ্গায় মরক্তা,
নদোম তরক্লা শাৎপবু
করি লাইব্রা লৈবনো - ।।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা,
হুমলি মাযকৈ খঙদনা,
থোৎনা নৌবী লৈনানা
ওন্না থোইনা খাঙববু
করি ব্রাশক ঙাকপনো - ।।

লৈশক উরে নুংঙোল্লি,
লৈনম তারে মনুংশি,
তাইবং পূক্লিং শুমহৎলৈ
কালেন নুংশা মরক্তা
করি পাউখোং চনবনো - ।।

[illegible]

হুমফাং, ১৯৮৭



নঙনা চিংলম্বা লৈইগী চিদাইদা

নঙনা চিংলম্বা লৈইগী চিদাইদা
লেপহৌরে ইদোম নীংবা কাযনা,
নঙনা চৎখিবা মায়কৈ য়েংদুনা - ।।

থৌনা লোইববা ঐগী পুন্সিনা
খাম্বা ঙমহৌদে নঙগী খোঙচৎপু,
বিদায লৌজবি লাংওনসিমগী
শিন্থহৌবিবা নিংঙমদা পিবাংনা - ।।

নঙনা যেংলম্বা অবোযবা মীৎযেংনা
তাশোন ওইহৌরে কেল্লবা থম্মোযদা,
খাঙবদা ৱারবা কাযনা মৈরিদা
লৈমন চলহৌরে অশাগী লৈরাংসু - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৬

শজিবু থানা লাকপদা

শজিবু থানা লাকপদা
নোংমা চৈবাও চীংখোংগী
থৌদোক অদুনা পুক্সিগী,
ঐবু অমুক নীংশিংহল্লে - ।।

নোংলৈ নুংশিৎ লাকপদা
চোইববা শম্লাং কযানা
তনৌবী মাযথোং খুমদুনা,
ইকাই নুংশি যাননা
নুংশি ব্রাশক্রুখিবা
চৈবাও চীংনা শাক্সিনি - ।।

চিংমাইগী উচান মখোঙদা
খোইকম মোমোন চিনবান্দে
থাদোকপীগনু হাযখিবা,
তাবমদাইগী কোবৌনা
নোংচুপ চিংদোলদৈ যেংখিবা
ঙসি ফাওবা কাওদবি - ।।

ইম্ফাল, ১৯৯৮

কয়াদা কুইনা ঙাইরম্বা নঙবু

কয়াদা কুইনা ঙাইবম্বা নঙবু
লাকখিগদবা খন্দুনা খৌবাংনা
ঐহাক ঙসিদি শোযদনা চৎলনি
নঙবু অমুক ঙাইবা ঙম্লবোই ।।

ইনাক্তা নঙনা লাক্লবোই খল্লগ,
ক্বিগী পীবমদে অবোইবা বিদায
নঙতগী ব্রাখলদা হিংলম্বী ঐসে,
লমলানবী ওইনা চৎলনি ঙসিদি - ।।

তাইবংগী কল্লবা নোংলৈনা হুম্বদা,
ঙাইজবা কযা অবেম্বা তাবেদো.
পাঙ্গল শোল্লবী নিঙোলগী পুন্সিবু
ব্রাবৌনু নঙনা উপায লৈতবে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

হুন্ফাল, ১৯৭৮

মৈচাক পুবী শরৎকী পুর্ণিমা

মৈচাক পুবী শরৎকী পুর্ণিমা
লাক্লিবরা ঙসিসু অমুক
হাপকে খন্না থম্মোয়দা মৈচাক - ।।

নীংশি ওইরম্লু হঙ্জিন হঙ্ডিংঙা
মমি শামখ্রবা ব্রাবী কয়াদো,
ব্রাহৌববনি মশুংলাংগী
খাঙলিবসিনি কাযনা মৈচাক - ।।

নোক্লবিবনু ইতৌ উরগা
মহাক লাক্লবোই লৈকোন্নুংসিদা,
নায়তোম তারবা ঐগী পুন্সিনি
মৈচাক খাঙলিবা ঐগী থম্মোয়নি -

[illegible]

ইম্ফাল, ২০০১

চৎখ্রবী মাবু নীংশিংনা

চৎখ্রবী মাবু নীংশিংনা
শোঞ্জবা নত্তনা ঐগীদি
উপায় অমা লৈতবে
হন্দক মপোক অসিগী - ।।

নোংদম্বা মাগী থৌশিন্না
নুংশি মোমোন মীনোক্কী
লাংতক্লা পাউখুম ফংদনা
কাযনা ফিজং খল্লমলে - ।।

ব্রাখল অতিযা মকোযদৈ'
থব্রায চেক্লা পাইখবে
মীকুপ খৃদিং শক্লম্বা
নুংশি শৈহেক তাববোই - ।।

থম্বোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৯৯

নীংঙমদনা পুন্সিসে

নীংঙমদনা পুন্সিসে
কপ্না লেল্লু তন্নমলে,
নোংদম গীবা মপোক্তা
বিধি মাগী থৌশিন্না - ।।

ঐগী পন্‌[illegible]ং লৈকেলসে
লৈ[illegible]ং তমদে ভু[illegible],
নাকেন্থাগী ঈশৈনা
মীকুপ খূদিং নিলহৌবে - ।

কনা খঙদ' ভূমিন্না
লোন্না পিবাং শিন্থবি,
থাবল ফবা অহিংদা,
নীংশিং ৱাবী কয়াদা - ।।

অৱা নুংঙাই তাইবংদা
ৱাদুনতা লেল্লক্লি,
ঐগী পুন্সি অতিযাদা
থোবক্তবে পূর্ণিমা - ।।

[illegible]

[illegible]

তৃংশিন্দুনা থম্লাগে

তৃংশিন্দুনা থম্লগে
থম্মোয়নুংগী নুংশিবা,
পুক্সি পোলোই ঙাইদুনা
নাইতোম তানা মপোকসে,
ন্বানা অসুম লেল্লগে - ।।

উৰিনবা যাওদনা
শংসনু পিবাংসু,
খঙবীনবা নৈতনা
তেংথাসনু থম্মোযসু
মাগী নীঙবা থুংনবা - ।।

মথং মপোক লাংওন্দা
ফোঙদোক্লগে নুংশিবা,
মাগী কযাম ন্বাজবা
মাবু কযাম খঙবা,
মতম্দুদা তম্লগে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০১



নুঙগুম কল্লবী নঙগী থম্মোয়সে

নুঙগুম কল্লবী নঙগী থম্মোয়সে
গুলাবকী লৈনানি কনাগী মফমদদি - ।

নোংমতা নঙনা হন্না যেংবিদে
নঙতবু শোন্দুনা লেঙ্ঙবা ঐবু,
মমলসু যাওহন্দে, মীৎকী পিবাংসে
নুংশিজববু ইবালতা ওইহল্লি - ।।

লাইবক ফবা কনাগী মফমদা
কখোকখ্রববা নহাক্কী থম্মোয !
বিধিনা তম্বনি কাযনবা থুংনবা
কবিগী লৎনবি থম্মোযগী নুংশিবা - ।।

ইম্ফাল, ২০০১

লোৎখ্রগে মপোক অসিমা

লোৎখ্রগে মপোক অসিমা
নঙগী মীৎয়েংগী মরুমদা
অমুক হন্না উদনবা
ইপাও অমুক তাদনবা - ।।

চৎখ্রগে পুন্সুং খঙদনা
ব্রাখলনা পুবা মায়কৈদা
লেল্লুরগে অচীকপা মফমদা
নাইতোম তানা পুন্সিসে - ।।

নঙনা য়েংনিংদ্রবা ঐসে
উহল্লরোই অমুক হন্না
কনা খঙদ্র' মফম অমদা
লোইখ্রসনু মপোক অসিমা - ।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৩

তেল্ল' তাইবং মপোকসে

তেল্ল' তাইবং মপোকসে
লোইখিবনা হান্দৌবে,
মহাও যাওদ' পুন্সিসে,
কযা ৱানা লেল্লিবা - ।।

নুংঙাই' মঙলান কযাদা
ৱাখল লীশাং থাকুবি,
আশাদুসু লোইখবে,
মঙলান্দুসু কাযখবে - ।।

অৱা-নুংঙাই তাইবংদা
ৱাদুনতা লেল্লকলি,
বিধি মাগী নোংদমদৈ,
ফংলকখিদ্রা নুংঙাইবা - ।।

ইম্ফাল, ২০০৭

লংলা লংজিন খণ্ডনা

লংলা লংজিন খণ্ডনা
মাঙখ্রে ঐগী নুংশিবা,
হায়ফম তমফম খণ্ডনা
পুন্সি অসে লেলহৌরে - ।।

মহাক্লসু লানখিদে
ঐহাক্লসু লানখিদে,
উনা উনা তান্নখি
নক্কা নক্কা লাপ্নখি - ।।

ফোঙজনীংবা আশাসু
ফোংঙমদনা লৈহৌবে,
মাগী নুংশি ব্রাখলদা
থম্মোয় লাইমন ওইহৌরে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৭

শাবী শানৌগী যৌবনগী পুন্সিদা

শাবী শানৌগী যৌবনগী পুন্সিদা,
নুংশি নুংঙনবী ব্রারী কয়াদা,
কনানা কপ্লিবা, কনানা নোকলিবা
লাইবক্কী ব্রাবীবা বিধিগী নোংদল্লা ॥

চীঙবা কায়রবা পুন্সি কয়াম।
কায়না ঈশৈতা শক্কুনা লেন্নবি
নুংশি পস্থুং যৌখিবা কনানা
হরাও মোমোন্তা নোক্কুনা হিংনরি - ॥

থুংনবৈ নুংঙাইবা কায়নবৈ' অব্রাবা
করি লায়ব্রানো নুংশিবা নঙগী
মৈরানবীগী মৈরী, মৈরীগী মৈরানবী
কনানা কনাদা করিবু লাল্লিবা - ॥

[illegible] ইম্ফাল, ২০০১

থম্মোয়সু কেন্নে আশাসু খমলে

থম্মোয়সু কেন্নে আশাসু খমলে
নহাক য়াওদ্রবা ঐগী পুন্সিসে
ওইহৌরে ঙসিদি কংলবা লৈকংলা - ।।

[illegible]
নৈ[illegible] শাংলবোই য়েন্নিংথা লাক্কুনা
অশাগী ময়োলসু নৌনা চোংলবোই
মরু ফুক্লবা পুন্সি পামেন্দা - ।।

নঙতনা লোইরবা ঐগী তাইবংদা
চংখবে নঙদি ইদোম হুন্দোক্লম’
থব্রায় চেক্লানা থাপ্পা পাইখ্রবদা
কবি ওইহৌনি হকচাং পোলাংদি - ।।

থম্মোয়গী তাঙ্খা

ইম্ফাল, ২০০২

তাম্না তাম্না খোংলিবা

তাম্না তাম্না খোংলিবা
চেক্লা নঙবু কনানো,
তাংলৌ লৈনা থেঙলবা
ঈচীক হুনবা অহিংদা
কনাবলো কৌবিবা - ॥

অহিং মমৈ ওইরগা
অৱা মৈচাক হেল্লেনে,
কায়না মৈশা লাংলবী
নীঙোল ঐগী থম্মোয়দা
নঙগী খোঞ্জেল তারগা - ॥

লাক্লোই হায়বা খঙলসু
মহাক্তবু শোনবগুম,
মপাং কায়না ৱাখলদা
ঙাওরদুনা নহাকসু
থম্মোয় শোক্লা খোংবরা - ॥

তমেংলোং, ১৯৯৮

ঐবু লান্না লৌখিবনা

ঐবু লান্না লৌখিবনা,
খঙদ্রে নঙনা অচুম্বসে,
শেংদোকচবসু ঙমহন্দবনা,
লান্দবা ঐসে ইবাল ওইহৌবে - ।।

নঙগীদমক ব্রাজখিবা
নীংশিংবীদ্রে মিকুপসিদা
হায়যু কনাগী থৌইনশিন্দগী
ঐবু অসুম্না ইপ্লোকলিবনো - ।।

অচুম অবান, খঙনা খঙনা
খঙশিন্নদ্রি থম্মোযদুনা
অমম্বতবু যেংলিবা নঙনা
অঙানবসিদি উবা ঙমজদ্রি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৯২

তম্বীনু খূদোলদো লৌজবা ঙমজরোই

তম্বীনু খূদোলদো লৌজবা ঙমজরোই
নুংশি কায়না অকনবা চৈনাদো,
খাঙজবা ঙমজরোই নৌরিবী থম্মোয়নি - ।।

পুন্সিদা অহানবা থেংনবা মীকুপ্তা
কৎখ্রবা থম্মোয়নি চিংনবা লৈতনা,
থিম্বনু ঐবু ননাক্তে লাপ্না
নঙতগী ৱাখলদা হিংজরিবীনি - ।।

আশাগী লৈরাং, কয়ানি শাৎলিবা
ঈংনা মেঙলবা পূক্লিং লৈকোন্দা,
খীকপিয়ু নঙনা নুংশিগী ঈরিক
কায়না মৈশা লাংহনবীগনু - ।।

[illegible] ইম্ফাল, ১৯৯৫

শিশুরিবা পিরাংনা

শিশুরিবা পিরাংনা
চামদুনা কোকলোই
নহাক কাযনা মৈচাক - ।।

কবিগী নুংশিরুই
শাযোন হৈবী নঙবু,
থম্মোয মচেৎ তানবা
পুন্সি লাইমন ওইনবা:
ইঙা নোংজু মপৈনা
চামদুনা কোক্লোই
নহাক কাযনা মৈচাক - ।।

লৈকংলা ওইহল্লে
নঙনা ঐগী পুন্সি,
লকা ফংনা চাকহল্লে
মীকুপ খৃদিং কপহল্লে;
হিংলিমখৈ তাইবংদা
চামদুনা কোক্লোই
নহাক কায়না মৈচাক - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৯৫

হুকচাগে নীংদুনা লেংলুবা পারেংসে

হুকচগে নীংদুনা লেংলুবা পবেংসে
তৎলেদো ঙসিদি পিবাংনা চাল্লেদো - ।।

লীক্লুগুম চোইবেদো থম্মোয়গী লৈনাসে
খোমজিনবা ঙমদরে ব্রাখলগী খুৎশানা.
আশাগী লৈবাংনা লৈমাযদা কেল্লেদো
পূক্লিংগী লৈকোনসু লৈকংলা ওইবেদো - ।

কনাগী মফমদা কবিবু লানখিবা
চন্নবী ঐতগী থম্মোয়দি খঙখিদে,
ঙসিদি পুন্সিসে মঙলানগুম ওইবল্লে
পিবাংনা মরুপ্নি বিদায়গী মীকুপ্তা - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৮



মৈরি ওল্লবা মেরাগী থাবল

মৈবি ওল্লবা মেবাগী থাবল
কবিগী হাপ্পবি থম্মোযদা মৈচাক,
তাখবো থাজ, লোইখবো অহিং
তূমহল্লো ঐবু মীকুপ অমত্তা - ।।

নুংশিবা থাবল্লে লৈনম পুদুনা
কবিগী হুল্লকলি ঈংলবা মালং,
কেমদোইনববা থম্মোয লৈনাদা
যৈবীববনু অমুক হন্না - ।।

তাংলৌ লৈনা থেঙজিল্লক্লগা
কবিগী তাবক্লি নোংদোন লীক্লা,
খাঙবা ৱাববা কাযনা মৈবিসে
হেনগৎহল্লেনে মৈচাক ফবা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ১৯৯১

পুন্সিগী অহানবা নুংশিগী খোঙলোই

পুন্সিগী অহানবা নুংশিগী খোঙলোই
হন্দক মপোক্কী ফংলরোইদবী;
থব্রায়গী থব্রায়, ওইরম্বী নঙোন্দা
লৈরিনে থম্মোযগী অশেংবা নুংশিবা -

চেংলৌ শক্তম উখিদবসু
লোইদাম কুইরক্লে কায়নখিবনা
কুম্লাং থাশিং য়াম্ল-য়াম্লগা
তেংথাবা হেল্লক্লি, কায়ববা থম্মোযদি -

ঙসিসু নীংশিংলি হৌখ্রবা ব্রারী
ঙবাংতা থোকখিবা পুন্সিগী থৌদোক্কুম
লাক্করোই হায়বা খঙনা খঙনা
ঙাইরিনে নঙবু, পিরাং শিম্থনা - ।।

ইম্ফাল, ১৯৮৯



ঐগী অশেঙবা থম্মোয়গী নুংশিবা

নুপা - ঐগী অশেঙবা থম্মোয়গী নুংশিবা

নঙগী নফমদা কৎথোকনিংলি - ।।

নুপী - পাঙ্গন শোনবী নুজাগী মপোকনি

নীংজবা মত্তুন ফাংদোকপা ঙমজদে - ।।

নুপা - নুংশি শৈহৌগী ব্রাহৈ কয়া

হায়গে খন্না লোন্না থম্লি - ।।

নুপী - পাউখুম অমা পীগে খন্না

নুংশি ব্রাহং ঙাইজরিয়ে - ।।

নুপা + নুপী - মৈরানবীগুম নুংশি মৈরিদা

পুন্সি মৈশা লাংহনগুমসি;

অমত্তা ওইবৈ অপূনবা ঈচেন্দা

য়ৌমিন্নসি ঈপাক তম্না - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৮

নঙবু নুংশিরুবনা

নঙবু নুংশিরুবনা
ঐগী ইরান্দ ওইরগে
নুংশি হায়বা ঋাহৈনা
নঙবু অমুক ওৎলরোই - ।।

নীংশিং নীংশিং থম্মোয়না
নঙবু কাওবা তম্লগে
অদুঙৈগী ঋাবীদো
মাঙখ্রসনু ঙম্লমক - ।।

থাজরুবা ঐতনা
মৈশা লাংহৌরসনু
নঙগী নীংবা থুংনবা
নুংশি অমুক হায়ররোই - ।।

[illegible]

[illegible], ১৯৮৯

উনা উনা উশিন্নদ্রবা

উনা উনা উশিন্নদ্রবা
মীৎতাঙবনি হায়বোইদবা !
খঙনা খঙনা খঙশিন্নদ্রবা
তৌশিন্নবনি খল্লোইদবা - ।।

অচুম্বতা চৎনবল্লবা
শান্তি ওইবমনি তাইবংপানসে !
ইশাগী ইবাল লোৎশিল্লগা
মীবু মবাল পীনববা - ।।

ওইদ-লৌনম ব্রাহ্মে কয়া
খঙলম্লোই হায়না খল্লিববা !
লোন্না তূমিন খাঙলিবশিং
পাঙদবনি লৌবিববা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ২০০৭

লান্দে হায়দুনা ব্রাকৎলুনি কনাদা

লান্দে হাযদুনা ব্রাকৎলুনি কনাদা
ইদোম তূমিন মৈচাকসে খাণ্ডুনা
লেঞ্জবা তাবনি হিংলুবা কৌবনা - ।।

পূকচেল খণ্ডনা পুন্সি কৎলুবা
ঐতগী ইবান্নি লম্লানবা নঙোন্দ
কবম্বা থম্মোযনো অদুক তমথিবা
ঐনা ব্রাবগা নঙনা পেল্লিবা - ।।

ওইদ-লৌনম ব্রাহৈ কযাদা
কবিগী থাজকুই থম্মোয নঙনা
ওইবেদো মৈবানবী কাইনা মৈবীদা
শিন্থবে মীৎলুদা অবোনবা পিরাংসু - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯৯

কায়ননবদি নঙনা শীনবনি

কায়ননবদি নঙনা শীনবনি
লান্দবা ঐবু ইবাল শীগনু;
নতাং চাউবা থম্মোয়দুননি
ঐবু থাপ্পা ইম্থোকখিবদো - ।।

নশাগী নবালনা লোংশীল্লগা
অচুম্বা শক্রুনা কবিগী ঙাংলিবা;
খঙদবা কনাদা কবিবু তমদুনা
পাউথোকনীংলিবা ঐবু লান্না - ।।

মতম্না নোংমা পুবকখিনি
কনাগী মবালনো খঙলকখিনি.
নঙগী থম্মোযনা অশেংবা ওইরবা
নীংঙমদবসু পোল্লকখিনি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ২০০৭

লৈরাংনা লৈশক হেনবনা

লৈরাংনা লৈশক হেনবনা
খোয়দাবা মশীং যাম্বনি,
ঐতগী ওইনিঙলুবনা
থম্মোয়সে মৈশা লাংবনি - ।।

মালংগী ফৌরোই য়েংদুনা
লৈরাংনা জগোই শাবনি,
তত্তনা লৈনম য়েনবনা
লল্লানবা খোইমু লাকপনি - ।।

নাপনগী ময়াই হেন্নবা
করিগী পূক্লিং শোম্বরুই,
পুম্সিসে লৈতাদনবা
করিগী নঙবু থেংনরুই - ।।

ইম্ফাল, ১৯৯৬

অনৌবা পুন্সিগী লম্বেল অমদা

অনৌবা পুন্সিগী লম্বেল অমদা
চৎনীংলবসু নঙগী থম্মোযনা,
লম্বেল অনীগী লমখাযফমদুদা
পাউমেন্নখিসি মীকুপ অমত্তং - ।।

মরুভূমিগী শাববা লমদম
ঈমাই চোল্লবা পাল্লবা ঈপাক,
শুক্ল' মল্লবা চাংনুং মানুং
লানমিন্নবকথি খুজেং পালোইনা - ।।

ঙসিদি নঙগী অনৌবা লম্বীনি
অমুক পুন্সিদা উনদবযাই,
কাযনখ্রবদি কাযনখ্রগনি
বিদায ৱাহৈনা ঐবু চৈবমখো - ।।

থম্মোয়গী তাছা

ইম্ফাল, ১৯৯৮

৯০

তৌশিন্নবা থম্মোয়না

তৌশিন্নবা থম্মোয়না
উৎপিরনু মিনুংশি,
মৈবীলক্কী পুন্সিনি
কেম্বতবু ঙাইবিবা - ।।

২ ২বম্লবো২ ক৹
থম্মোযনুংগী অৱাবা,
চমজববী নহাকপু
হন্না অমুক ওৎলবোই.
নুংশিকুবা ঐতনা
লানখিবনি নকাদ - ।।

২ জ২.।। ইর্শিন্ন
লেমহৌরিবা পুন্সিগী
লৈত্রে ঐগী পেন্দবা,
আশা খল্ল' মপোকসে
লোইখিবনি ঙাইবিবা - ।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৯২

১১

নঙগী নুংশিগী কল্লবা মৈরীদা

নঙগী নুংশিগী কল্লবা মৈরীদা,
কেমথ্রবা তুংদা ঐগী পুন্সিনা
শিন্থরক্কনু নঙগী মীৎলুদা
নীংঙমদবগী অরোনবা পিরাং - ॥

থব্রাযদগী হেন্না নুংশিবা,
নঙবু কযাদা পাম্মুনা থমজব'
খঙুলবোই নঙনা ঐগী ব্রাখলসে
ঙমলবোই ঐসু নঙবু খঙহনবা - ॥

নুংশিবা ব্রারী ঙম্না মঙলান্নি,
লোইনা হৌখবে অমুক লাক্লরোই
চাক্লিবা পুন্সি 'সিতা ঙাইহৌরে
মৈরান ওইখরে ঐগী আশাসু - ॥

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৬

ঙাইবমুক ৱাবা লৈত্রবা তাইবংদা

ঙাইবমুক ৱাবা লৈত্রবা তাইবংদা
লাক্করোইদবী কনাবু ঙাইদুনা,
নীংঙমহৌদ্রবা ঐগী পুন্সিনা
লেল্লি ঙসিসু পিরাং কংদনা - ॥

তাইবংগী মীনোক মৈশা কীবনা
ৱাদবা শাদুনা খাঙলি অৱাবা,
মচেৎ তানা কায়রবা থম্মোয়দা
চৈনা হাপচরি হনজিন হনজিন্না - ॥

নুংশিবা কৌবা অমম্বা সংসারদা
মাতনি উরিবা ঙাওরবা মীৎসিদা,
ঐগী ৱাখল ঐগী পুন্সি
অসুম্না অসুম লোইশিনখ্রদরা - ॥

ইম্ফাল, ১৯৯৯

থব্রায়দগীসু হেন্না নুংশিবী

থব্রায়দগীসু হেন্না নুংশিবী
বিদায় পীবল্লো লাংওনসিমগী
কংলরোইদবা মীৎকী পিরাংনা
পীরি নঙবুসু বিদায়, পুন্সিগী - ।।

নীংশিংলুবনু অদুঙৈ ব্রাবী
লাইমন ওইনবা চল্লবী থম্মোয
মহাম তাববা পুন্সি অমগী
খল্লুবগনু, অমুক নৌহৌনা - ।।

নীঙলি নঙতগী য়াইফনবগী
নুংঙাইনা পাল্লুকো নীংঙোল মপোক
পাংলো ঙসিদি নুংশিগী লমদম
চৎলো, পুন্সিগী অনৌবা শাগৈদা - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৮৮

উনা উনা তামখবে

উনা উনা তামখবে
থম্মোযদা তাহৌবা শক্তমতা ঙায়হৌবে
নক্ল নক্লা লাপখবে
ঐগী নুংশিবা মামি শামখবে - ।।

ঐগী থম্মোযনা কবি খল্লিবা
খঙলমলোই মাগী থম্মোযনদি,
ঐসু ঙম্লবোই মাবু খঙহনবা
অসুম্ন অসুম কাযনখ্রগনি - ।।

চন্লবী মকাদা লানখিবা ঐনা
লানগে খন্না লানখিবা নত্তে,
খাঙমলোইদবা কাইনবৈ মৈচাকসে
পীগে খন্না পীবন্লবনি - ।।

[illegible] ইম্ফাল, ১৯৯৮

১৫

থোৎলবী গুলাবকী লৈখোক্তা

থোৎলবী গুলাবকী লৈখোক্তা
থৌববা তিংখং পাল্লমলে
নৌববী মহাক্কী থম্মোযসু
থৌদু নুঙগুম কল্লমলে - ।।

শক্লোন পুবা লৈচিন্নি
অবেপ্পা শক্তম লৈতবা
নুংশি চাউবীনি নীংঙলুবা
পূকচেল লেপ্তুবী ওইবল্লে - ।।

চন্নবী থম্মোযনি খল্লুবা
লৌনম হৈবী ওইরল্লে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ১৯৯৬

কৌরনু ঐবু হল্লকখো হায়না

কৌবনু ঐবু হল্লকখো হায়না
লাক্লনু অমুক ঐগী মোংফমদা
তেংথাবগনু লোন্না হীক্লা
চৎলবনি ঐদি তাইবং ৱাংমদা - ।।

ঐগী পুন্সিনা তাইবংদা হিংলিঙে
পীবিখি তত্তনা খাঙমদ' চৈন' '
ঙসিনা কবিগী পিবাং শিন্থবি
নঙগী তেংথা-খোঞ্জেন তাবগা
চৎপা ঙমদবে ইনিং তম্না ।।

ৱাকৎখি নফমদা কযাবক হন্না
তাবীবা লৈখিদে থম্মোযদুনদি '
উবিখিদে নঙনা ঐগী অৱাবা
নঙগী মৈবীদা কেল্লবনি ঙসিদি
লাকপা ঙল্লবোই অমুক ননাক্তা - ।।

[illegible] লৈমতাক, ১৯৮৪

মক্তুবা নঙগী থম্মোয়দা

মক্তুবা নঙগী থম্মোয়দা
নুংশি মচু শঙলমগে,
চন্নবী নঙগী নফমদা
পৃক্নিংগী আশা ফোঙলমগে - ।।

মুববী শন্নাং মবক্তা
শমজিবৈ লৈবাং থেংলমগে,
তবাবী চীনবান মযাদা
শম্বু অমা নল্লমগে - ।।

থম্মোয লাকা 'নুংসিদা
নঙবু লোন্না লাৎচগে,
তাইবং কনা উহন্দ,
ইথন্তগী ওইজগে - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

নাজিববাদ (য়ু পী), ১৯৯৭



নুঙ ওনখ্রবী থম্মোয়না

নুঙ ওনখ্রবী থম্মোযনা
পিবাংগী মমল খঙলম্লোই,
নুংঙাইনা লেপ্লিবা পুন্সিনা
নীংশিংলম্নোই অবাবা ॥

পামজবা মকা যৌখ্রবী
নাপগী নাচোম ওইখ্রবী,
কাউবম্লনি নহাক্তি
কংহৌববা লৈকোনসে - ॥

বিদাযগী চৈনা খাঙবদা
পিবাং কংদনা লেপ্লিবা,
নুংশি পম্মুং য়ৌপ্রবী
খঙলম্লবোই নঙনদি - ॥

ইম্ফাল, ১৯৯৯



কবিগী নীংশিংলক্লি ঙসিতা নৌহৌনা

কবিগী নীংশিংলক্লি ঙসিতা নৌহৌনা
কাউরগে খন্না কাউরুরবা ঐবু,
কবিগী শিন্থবি নীংঙমদা পিবাং
নঙগী থম্মোয়দি নুঙ ওনখ্রবদাই - ।।

নিবরোই খন্দুনা নৌহৌনা ভিক্ষ্যা
চঙলুদ্রবা ঐনি কনাগী থোঙ্গান্দা,
অবাম্বা খঙদবে, খৌরাংবা পোক্তবে
পাম্মদবে নঙগী থৌজালগী ঈরিক - ।।

লাক্লনু ইনাক্তা উৎলরনু অমুক
ঐগী পুক্সিদি লৈকংলা ওল্লবনি,
পৎথরবা ঐগী থম্মোয়সে
তেকখৎলু য়াররোই নঙগী পিরাংনা -

থম্মোয়গী তাম্বা

খুম্পোং, ২০০০



খঙলকখিনি নঙসু নোংমদি

খঙলকখিনি নঙসু নোংমদি
মীৎকী পিবংগী মমল !
নিংঙমদবসু পোক্লকখিনি
ঐগী ব্লাবী তাবগা - ।।

হঞ্জিন হঞ্জিন নকাদা
ব্লাকৎলম্বগী মবম !
নোংমা শোযবোই হংলকখিনি
নবাল লৈববা থম্মোয়দুনা - ।।

নঙগী নাপলগী চৈনাদা
কবম খাঙখিবা ঐনা !
চন্নবা থম্মোয়সে নীংশিংলকখিনি
নঙসু মীনুংশি ফাওরকখিনি - ।।

[illegible]

ইম্ফাল, ১৯৮৪



কায়ববা থম্মোয় শোক্লবা থব্রায়

কায়ববা থম্মোয় শোক্লবা থব্রায
নঙগী তেংথা অবেম্বা ওইবে
চৎখ্রে মাদি নিঙাইবা লৈতনা - ।।

লোন্না চূবম্বা কাইনা মৈবীনা
চাকহৌবে ঙসিদি লাকা খূদিংদা.
চৎকে তাক্লমদ' চৎখবে মাদি
লোন্না পীবমলে, অবোইবা বিদায - ।।

অসুক কুইববা ব্রানা খাঙজবা
অবেম্বা ওইহৌবে মীকুপ অসিদ'.
পিবাং কংদনা মাবু ঙাইজবা
লাক্লবোই অমুক, হন্দক মপোক্কী - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা ইম্ফাল, ১৯৯৮



লৈমন চন্দনা লৈখোক লোয়খ্রবী

লৈমন চন্দনা লৈখোক লোযখ্রবী
লৈবাং নঙগী নুংশি লৈনম্না
চৃদুনা লৈহৌবে কাযববা থম্মোযদা - ।

তোযনা ঙাংনখি লৈকায মীযাম্না
ইম্বোকপীখিনে লাঞ্জদবীদো
ব্রাখল অমনা লমজিং ওইদুনা.
হন্না য়েংদনা মবাল শীবিখি
অচুম - অবান থিখিদে ঐনা
তাবিখিদেনে থম্মোযগী যাব্রাদো - ।।

তাইবং মীনোক মৈশাবক্তা
কেমখ্রবা তুংদা নঙগী পুন্সিনা
খঙলে ঙসিদি কনাগী মরালনো;
নীংঙমহৌদ্রবা ঐগী পুন্সিসে
অনুতাপ্না চাক্লবে ঙসিদি
খাঙমদবেনে নঙগী মৈচাকসে - ।।

[illegible] শিলোং, ১৯৯২



ঐনা নঙবু কয়াম নুংশিবা

ঐনা নঙবু কয়াম নুংশিবা,
ঐনা নঙবু কয়াম নীংজবা,
ইদুনা থনমগে পুন্সিগী চেনাদা;
কাউদনবা লাংওনসিমগী - ॥

নঙবু পুন্সিগী কাউদবনা
নীংবা থুংবা শক্লগেকো,
নঙগী পুন্সিগী যাইফনবা
থাদোক্লগে ঐগী আশা - ॥

লাক্লবোইদবা ৱাবীশিংদো
নীংশিং নীংশিং লেল্লগেকো;
কোক্লবোইদবা নুংশি শক্তম
চামহৌবগে মীৎকী পিনা - ॥

খম্যোয়গী তাম্বা

ইন্ফাল, ১৯৭৮



থম্মোয় পীরুনু মৈশা লাংনবা

থম্মোয় পীরুনু মৈশা লাংনবা
পুন্সি কৎলুনু পিরোইননবা;
ফাইরেনগী অয়ুক্তা অতিয়া মকোযদা
পাইরিবা লৈচিলসে মঙাও থীবনি - ।।

নুংশি লৈনম য়েল্লিবা গুলাপসে
তিংখং পানবনি মাগী লৈখোক্তা,
মীৎচিনা থাক্লিবা লৌনম লাংথাক্লি
যাবৌ শজি ওইগে নীংলুনু - ।।

মীৎলুগী পিরাং কনানা উবিবোই
থম্মোয়গী তেংথা কনানা তাবীবোই,
অঙাওবা ঈচেন্দা খৌশারুখিনু
পুক্লিং খঙদনা শিন্নরুখিনু - ।।

ইম্ফাল, ২০০১



ঈশৈতা শক্তুনা লেল্লগে পুন্সিসে

ঈশৈতা শক্তুনা লেল্লগে পুন্সিসে
নঙনা তম্বীবম্বা কায়না সুবদা - ।।

তাবিখিদ্রবা থম্মোযগী ৱাকৎ
হাপলগে ঐগী ঈশৈগী মযেক্তা.
উবিবা লৈত্রবা মীৎলুগী পিবাংসে,
শিন্থু-শিন্থুনা পাল্লগে সুবসু - ।।

নুংশিবা খঙদ্রিবা কনাগী থম্মোযদা
খঙহল্লম্লগে কাযনবগী অৱাবা.
নুংশিগী অমৃত থক্লুববদি,
নোংমা শোযবোই পিবাং শিন্থুবা - ।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৭



নিবা তোল্লবা ভিক্ষারীনি ঐদি

নিবা তোল্লবা ভিক্ষ্যাবীনি ঐদি
লেপ্পবোই অমুক কনাগী থোঙজিন্দা
হাপ্পিযু হাযববোই নুংশিগী ভিক্ষ্যা - ॥

কোযনা চৎপদা চোকথববা ঈখোঙসে
থাংখ্রগে অবোইবা পম্বুং যৌনবা
নুংশি কনাগী থৌজাল ফংদ্রবা
লৈকংলা ওল্লবা থম্মোযসে পুদুনা ॥

কনাগী পুক্সিবু অৱাবা পাববোই
মৈচাক খাঙবদা কেল্লবা পুক্সিনা.
আশাগী মঙাল যাওদ্রবা লম্বীদা
চৎমিন্নসি হায়না কনাসু হৌববোই ॥

[illegible] ইম্ফাল, ২০০৪

১০৭

শক্লিঙলী ঈশ লেপ্পা লৈতনা

শক্লিঙলী ঈশৈ লেপ্পা লৈতনা
ঈথক হৌবিবা থম্মোয়গী তাম্বাদা
হিংনিঙলী পুন্সি ঈশৈতা শক্তুনা
মখল মথেলগী সুবগী ঈপোমদা - ।।

অরা' নুঙাইগী নুংশি নুঙোলগী
ভক্তি প্রেমগী ঈথিল কযানি
নুঙহিক্লববা মহৌশা ইমাগী
..যব' শক্তমসু সুবগী হৌফমনি - ।।

শান্তি লৈত্রবা পোক্লফম লমদমগী
মীকপ খোঞ্জেনসু থম্মোযদা চৈনানি
নুংশি চান্না অমত্তা ওইবগী
পুক্লিংগী ঈথিলনি ব্রাখলগী শৈরোলনি - ।।

উক তাকবা যেংলু' খুদিংনা
ঐগী ঈশৈগী ইনোৎ হাপ্লরি
লেপ্লাইদা মতম যাগী খোঙচৎনা
পুক্লিংবু তত্তনা য়াকায়হল্লরি - ।।

থম্মোয়গী তাম্বা

ইম্ফাল, ২০০৭

About the Composer

Name : : *Charoibam Ibohal Singh*.

Father's Name : Charoibam Birachandra Singh

Mother's Name : Charoibam (O) Chandramukhi Devi

Address : Taobungkhok Awang Leikai, Sagolband, NC Road, Imphal West, Manipur.

Date of Birth : 01/01/1968 (As per Academic Record)

Educational Qualifications : B.Sc., BLISc (Gold Medalist), MLISc, Ph.D (LISc), NET (UGC), PGDCA.

Present Profession : Lecturer in Library and Information Science, Manipur University, Imphal.

Publication Works :

(A) **Books**

(1) Health Information System in North East India, BRPC, New Delhi, 2006.

(2) Writing in Library and Information Science in Manipur, Manipur Library Association, Imphal, 2006.

(3) Legislation Based Rural Library Service in India, RAS, NE Chapter, Imphal, 2007 (Co-Editor).

(B) Research and Feature Articles/Papers Published (in International, National and Regional Journals, Local Dailies, Books, Conference/Seminar proceedings): 75 Nos.

Membership :

(A) Professional Organisations :
Life Member of MALA, ILA, IASLIC, IATLIS, RAS.

(B) Voluntary and Literary Organisations :
Life Member of NOHAKHOL, Yurembam, MASS, Imphal, Citizen Welfare Agency, Imphal.

-NOHAKHOL,
Yurembam

Printed at : R.S. Printers, Keishampat Leimajam Leikai, Imphal